মীতৈলোন্দা
হন্দোক্লবা এক্ট খরা

অনিশুবা শরুক

য়াউরিবশিং ঃ

১। দি প্রিভেন্সন ওফ ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪:

২। দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস এক্ট, ১৯৭২;
(মীতৈময়েক্তা ইথোক্লবা)

৩। দি মণিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস রুলস, ১৯৭৩;

মীতৈলোন্দা হন্দোকচবা ঃ-

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

সোইবম লৈকাই খঙলাবুঙ লৈরক, ইম্ফাল।

দি প্রিভেন্সন ওফ

ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪

(১৯৫৪ গী এক্ট নং, ৩৭)

মীতৈলোন্দা হন্দোকচবা ঃ-

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

সোইবম লৈকাই, থঙ্গাপুং লৈরক, ইম্ফাল

দি প্রিভেন্সন ওফ ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪

(১৯৫৪ গী এক্ট নং, ৩৭)

মীতৈলোন্দা হন্দোকচবা ঃ-

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

সোইবম লৈকাই, খগুলাবুং লৈরক, ইম্ফাল




এলঃ দিঃ এমঃ আর্টস, ইম্ফাল

The Prevention of Food Adulteration Act, 1954
(In Meeteilon)
by Moirangthem Rajendra

Statement as required by the proviso to clause (r) of subsection (1) of section 52 of the Copyright Act, 1957:

In do hereby state that this translation has not been authorised or accepted as authentic by the Government.



Moirangthem Rajendra

অহানবা ফোঙবা	ঃ	জুন, ২০০১
কোপী মশিং	ঃ	১০০০ (লিশিং অমা)
অফোঙবী	ঃ	মোইরাংথেম ওংবী ইবেচানা এলঃ দিঃ এমঃ আর্টস সেন্টরগীদমক ফোঙজবা

মমল	ঃ	লুপা ২৫/-

To be had of
Moirangthem Rajendra
Sobam Leikai, Khanglabung Leirak
Tele : 440088

নম্ফম ঃ **লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফাল।**

অফোঙবগী ৱারোল

সেন্টর অসিনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী কোমিক, শৈরেং, ৱারীমচা, ড্রামা অমদি আইনগী লাইরীক তকক থাবগা পুন্না ফোঙখিবা তবাল্লমদোইদি শুরে। তশেংনমক সেন্টব অসিগী পান্দমদি অতৈ সংস্থানসিংদগী তোপতোল্লী। সাহিত্য, কলা, সংস্কৃতিগী লমশিংদা তৌবা য়াবা থবক কয়াসু ঙসিদগী চহি ১০ গী মমাঙদা তৌখ্রে।

হৌজিকসু লমদমসিগী অবাংপা কয়া পায়খৎনবা হোৎনবগী লোযননা তাংনা লৈরীবা, হন্দোকপীননা ইরৈ লৈতবা ভারত সরকাবগী চৎনরীবা আইনশিং অসি সেন্টরসিনা অচৌবা থৌদাং লৌজদুনা এদভোকেৎ ওইরীবা মোইরাংথেম রাজেন্দ্রদা আইনশিং অসিবু ইমারোল মীতৈলোন্দা হন্দোকহন্দুনা ফোঙবগী মাইকৈদা কন্না চঙশিঞ্জরি। মসিদা চিথ নাম্বহৌবা কয়া লৈরবসু খ্বাই তবোনা পাওতাক পীবিরকপদা হবাওনা লৌজগনি।

মতুৱা তোম্বা

সেক্রেটরী

এলঃ দিঃ এমঃ আর্টস সেন্টর, ইম্ফাল

ইম্ফাল

তাং ৩০।৫।২০০১ ইং

দি প্রিভেন্সন ওফ
ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪

(১৯৫৪ গী এক্ট নং, ৩৭)

(মীতৈলোন্দা হন্দোকলবা)

দি প্রিভেন্সন ওফ

ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪

য়াউরিবশিং

দি প্রিভেন্সন ওফ ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪
(১৯৫৪ গী এক্ট নং, ৩৭)

(সেপ্তেম্বর ২৯, ১৯৫৪)

চীঞ্জাক্তা ফত্ত-হৌদি য়ানশিনবা থিংনবা ন্নারোল পীনবা আইন অমা

মীয়ামগী লৈঙাক্লোন লৈরবা ভারতকী মঙাগুবা চহী অসিদা পার্লিয়ামেন্টনা মখাগী অসুন্না আইন শেম্মসনু (শেম্লে) ঃ

ন্নাহৌদোক

১। অতেনবা মিং, চৎনফম অমদি চৎনবা হৌবা ঃ (১) এক্ট অসিগী মিং দি প্রিভেন্সন ওফ ফুদ এদলটরেসন এক্ট, ১৯৫৪ কৌবা য়াই (কৌরে)।

(২) মসি ভারত পূম্বদা চৎনগনী।

(৩) মসি সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা ফোঙদুনা লেপ্পা অদুগুম্বা তারিখ[১] অদুদগী চৎনগনী।

২। ন্নাহল্লোকশিং ঃ এক্ট অসিদা ন্নাহৈশিংগী মাঙতুঙদা লৈরিবা ন্নাফমশিংনা তঙায়ফদবা লৈহন্দ্রবদি ঃ

(i) "পোৎয়ান" হায়বদি য়ানশিন্নবগীদমক্তা শিজিন্নরিবা নৎত্রগা শীজিন্নরম্বা য়াবা মচাকশিং হায়বনী;

(iএ) "য়ানশিল্লবা" চীঞ্জাক ওইবা পোৎশক অমবু

১। ইং ১৯৫৫ গী জুনগী তারিখ ১ দগী চৎনবা হৌখ্রে। ইং ১৯৫৫ গী মেগী তারিখ ৯ গী ভারতকী গেজেতকী অনীশুবা পার্টকী নোটিফিকেসন নং এসঃআরঃওঃ ১০৮৫ য়েংবিসি।

(এ) পোৎয়োনবা অমনা য়োল্লকপা পোৎ অমদা অরৈবদুনা পীয়ু হায়বা পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদু য়াউদদুনা অরৈবদুদা অকায়বা থোক্লবা নৎত্রগা মদুনী হায়রিবা নৎত্রগা মদুগী মহুৎশিল্লগা মদু শারিবা পোত্তুদা মানা পীয়ু হায়রিবা পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদু চেন্দ্রবদি;

(বি) পোৎশক অদুদা পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদু মাঙননবা মওঙদা শোকহনবা অতোপ্পা পোৎশক য়াউরবদি নৎত্রগা পোত্তু শেমশাবদা পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়ায় মাঙহন্নবা মওঙদা শেমশারবদি;

(সি) পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদা মাঙননবা মওঙদা শোকহন্নবা অতোপ্পা মতীক ময়াইদা হস্থবা নৎত্রগা মমল হস্থবা পোৎশক অমনা মপুম ওইনা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা মহুৎ শিল্লবদি;

(দি) পোত্তুগী মখল, মচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদা মাঙননবা মওঙদা শোকহন্নবা পোত্তুগী পোৎচাক অমা মপুম ওইনা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা লৌথোকখ্রবদি;

(ই) পোত্তু হকচাংদা মাঙনঙাই ওইবা ফীভমশিংদা শেমখিবা, য়োমশিনখিবা নৎত্রগা থমখিবা ওইদুনা মহীক মতাং চেলহল্লবা নৎত্রগা হকচাং শোকহন্নিংঙাই ওইরবদি;

(এফ) পোত্তুদা অমোৎ অকায় পকপা, পুল্লবা, পথ পুমথরবা নৎত্রগা লাইথুং চেল্লবা শা ঙাগী নৎত্রগা মনাশিংনাগী পোৎ মপুম ওইনা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা য়াউরবা নৎত্রগা তীনকাঙ চেল্লবা নৎত্রগনা অতৈ মওঙদা মীওইবনা চাবদা মতীক চাদ্রবা পোৎ ওইরবদি;

(জি) পোত্তু লাইথুং চেল্লবা শাদগী লৌবা ওইরবদি;

(ঐচ) পোত্তুদা হুচেনবা নৎত্রগা হকচাং শোকহনবা য়াবা অতোপ্পা মচাক য়াউরবদি;

(আই) পোত্তুগী হাপফম ওইরিবা পোত্তু মপুম ওইনা নৎত্রগা মচেৎ ওইনা হুচেনবা নৎত্রগা মাঙনবগী মশক ওইবা পোৎ য়াউদুনা মদুদা য়াউরিবশিং অদু হকচাং শোক্লঙাই ওইরবদি;

(জে) মচু শঙনবা পোত্তু পোত্তুগীদমক্তদি মদু ওইগদবনি হায়না লেপখ্রবদু নত্তবা অতোপ্পা পোৎ অমা পোত্তুদা য়াউরম্লবদি নৎত্রগা য়াউরিবা মচু শঙনবা পোত্তুগী চাং অদু অসুক ওইগদবনী হায়বগী চাং অদু চাং হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াবগী পংখৈশিংগী মনুংদা ওইদ্রবদি;

(কে) শীজিন্নবা য়াদে হায়দুনা থিংখ্রবা পোৎ লীবদা শীজিন্ননবা হীদাক য়াউরবা নৎত্রগা শীজিন্নবা য়ারবা পোৎ লীবদা শীজিন্ননবা হীদাক্কী অকক্কবা চাংদগী হেন্না য়াউরম্লবদি;

(এল) পোত্তুগী মতীক ময়াই নৎত্রগা অশেংবদু অসুম ওইগদবনী হায়না লেপখ্রবা থাক অদুদগী হন্থরবা নৎত্রগা পোত্তুদা য়াউরিবা মচাকশিং অদুগী চাংদুনা হোংদোক হোংজিন য়াবগী ঙমখৈগী মনুংদা য়াউদবদগী হকচাংদা শোকহল্লবদি;

(এম) পোত্তুগী মতীক ময়াই নৎত্রগা অশেংবদু অসুম ওইগদবনী হায়না লেপখ্রবা থাক অদুদগী হন্থরবা নৎত্রগা হকচাংদা শোকহন্দ্রবসু পোত্তুদা য়াউরিবা মচাকশিং অদুগী চাংদুনা হোংদোক হোংজিন য়াবগী লেপ্পবা ঙমখৈগী মনুংদা য়াউদ্রবদি;

য়ানশিল্লবনী হায়না লৌগনী।

অদুন্নদি ওইরবদা, মরু ওইবা চিঞ্জাক ওইরিবা পোৎশক অদুগী মতীক ময়াই অদুনা অসুম ওইগদবনী হায়না লেপখ্রবা থাক্তগী হন্থরবা নৎত্রগা মদুগী পোৎচাকশিং অদুগী চাংশিংদু হোংবা য়াবগী লেপখ্রবা ঙমখৈগী মনুংদা লৈত্রবা, ফীভম অমদবু ওইরবসু অমদবু ওইরবসু মহৌশাগী ওইবা মরমশিংনা ওইহনখিবা অমদি মীওইবগী থবক্কী খুদুম মখাদা লৈবা ওইদ্রবদি সব-ক্লোজ অসিগী ৱাহপ্পোক্কী মনুংদা য়ানশিন্নরবনী হায়না লৌরোই।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ মরু ওইবা চিঞ্জাক অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না তিনশিন্নরগা মদুদগী ওইরকপা চিঞ্জাক্কী পোত্তু—

(এ) মচাকশিংদু তাকপা মিং অমগী মখাদা পৈরবা, য়োল্লবা নৎত্রগা য়েম্থোক্রবা, অমদি

(বি) হকচাংদা শোকহনবসু তৌদ্রবা,

অদু ওইরবদি অদুগুম্বা তিনশিন্নদুনা থোক্লবা পোৎ অদু ক্লোজ অসিগী ব্রাহম্বোক্কী মনুংদা য়ানশিন্নরবনী হায়না লৌরোই।

(ii) "সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরি" হায়বদি সেক্সন গী মখাদা লিংখৎপা নৎত্রগা মশক তাক্লবা অদুগুম্বা সাইন্সকী চাংয়েং তৌনবা শঙ নৎত্রগা লোয়শঙ অমা হায়বনী;

(iii) "কম্মিটি" হায়বদি সেক্সন গী মখাদা লিংখিবা সেন্ট্রেল কম্মিটি ফোর ফুদ ষ্টেন্দার্দস পুনী;

(iv) "সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টর" হায়বসি সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টর ওইনা হাপখ্রবা মীশক অদুবুনী অদুগা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা মান্নবা মওঙদা এক্ট অসিগী মখাদা ডাইরেক্টর অদুগী থবক লোইনমক নৎত্রগা অমা পাঙথোক্লবা হাপ্পা মীশক অদুসু য়াওই ঃ

অদুম্নদি ওইরবদা, চিঞ্জাক্কী ওইবা পোৎ অমা পুথোকপা, মপান্দগী চেনবা নৎত্রগা য়োনবদা শেলথুমগী ওইবা কান্নবা লৈবা মীশক অমত্তবু ক্লোজ অসিগী মখাদা ডাইরেক্টর ওইনা হাপ্লোইদবনী;

(v) "চিঞ্জাক" হায়বসি হিদাক্কা ঈশিংগা নত্তনা মীওইবনা শীজিন্ননবা চিঞ্জাক নৎত্রগা থক্লবা পোৎ অমবুনী, অদুগা —

(এ) মীওইবগী চিঞ্জাক শাবা অমদি শেম শাবদা চঙখিবা নৎত্রগা শীজিন্নখিবা করিগুম্বা পোৎ অমা,

(বি) মহাউ হাপ্পবা পোৎ নৎত্রগা মরুমরাংশিং, অমদি

(সি) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা মদুগী শীজিন্নবা, মহৌশা, পোৎচাক নৎত্রগা মতীক ময়াইদু য়েংলগা ওফিসকী পাউচেদা নোটিফিকেসন থোক্তুনা চীঞ্জাক্কি হায়না লাউথোকখ্রবা অতোপ্পা পোৎসু— মসিগী মনুংদা চল্লি।

(vi) "ফুদ (হেলঠ) ওথোরিটি" হায়বদি ষ্টেট অমগী ডাইরেক্টর ওফ মেদিকেল এন্দ হেলঠ সার্ভিসেস নৎত্রগা মিংথোন অমবু কৌরবসু

মকোক ওইবা থবক তৌরিবা মীশক অদুনী অদুগা সেন্ট্রেল নৎত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা এক্ট অসিগী মখাদা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্লুনা ফুদ (হেলথ) ওথোরিটিগী শক্তি শীজিন্নবা অমদি মাগী মথৌশিংদু পাঙথোক্লবা নোটিফিকেসন্দুদা পল্লিবা অদুগুম্বা লমদমদুগী ওইনা শক্তি পীরবা অতোপ্পা ওফিসারদুসু মসিগী মনুংদা চল্লি;

(vii) "লোকেল এরিয়া" হায়বদি এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা "লোকেল এরিয়া" অমনী হায়না নোটিফিকেসন থোক্লুনা লাউথোক্লবা সহর নৎত্রগা খুঙ্গং অমবুনী;

(viii) "লোকেল ওথোরিটি" হায়বসি—

(১)(এ) ম্যুনিসিপালিটি ওইবা লোকেল এরিয়া অমগী ওইরগনা ম্যুনিসিপাল বোর্দ নৎত্রগা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন;

(বি) সিফাইশিংগী তংতাবা লৈফম ওইবা লোকেল এরিয়া অমগী ওইরগনা, কেন্তোনমেন্ট ওথোরিটি;

(সি) নোটিফাইদ এরিয়া অমা ওইবা লোকেল এরিয়া ওইরগনা, নোটিফাইদ এরিয়া কম্মিটি — অদুনি;

(২) অতৈ অতোপ্পা লোকেল এরিয়াগী ওইরগনা, এক্ট অসিগী মখাদা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা নৎত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা মদুনী হায়বা অদুগুম্বা ওথোরিটি অদুবুনী;

(viii এ) "লোকেল (হেলথ) ওথোরিটি" হায়বসি সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা নৎত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্লুনা মদুদা পল্লিবা লোকেল এরিয়া অদুগী ওইনা অদুগুম্বা মফমদুদা করিগুম্বা মিংথোল অমা পীদুনা হকচাং ফনা থম্নবগী থবক থানা তৌবগী অশীন অরাংগী থবক পুহন্নবা হাপ্পা ওফিসার অদুনী;

(viii বি) "লান্না খুদম থারবা" -চানবা পোৎ অমবু—

(এ) মীনম্বা য়ানবা মশাগী মমিংদা য়োক্লবা অতোপ্পা চানবা

পোৎ অমগী মতৌ, মহুৎ ওইনা নৎত্রগা মওঙ মালহন্দুনা অমদি মদুগী অশেংবা মশক অদু উৎনবা ইচম চন্না লায়না উবা য়াবা মওঙদা অইবা চেদু নপত্রবদি;

(বি) মীনমদুনা করিগুম্বা মফম নৎত্রগা দেশ অমগী পোখোক অমনী হায়রবদি;

(সি) অতোপ্পা চানবা পোৎ অমগী মমিংদা মদু য়োল্লবদি;

(ডি) মদুদা অমাঙ অতা থোকখিবদু লোৎশিন্নবা মওঙদা মচু শঙজিল্লবা, মহাউ হাপচিল্লবা নৎত্রগা মরোল অমা কূপশিল্লবা, শক্তি হাপ্পবা নৎত্রগা তৈথোক চামথোক্তুনা নালহল্লবা নৎত্রগা মাগী হান্না লৈজবা মতীক ময়াই অদুদগী হেন্না ফবা নৎত্রগা হেন্না ৱাংবা মালহল্লবদি;

(ই) অইবা চে নৎত্রগা অতৈদা অদুনী অদুনী হায়দুনা মীনমদুনা হেঞ্জিন্না হায়জিল্লবদি;

(এফ) পোৎশাবা নৎত্রগা পুথোকপা মীদুনা নৎত্রগা মানা হায়বগী মতুংইন্না মখুম চেৎনা খুমজিল্লবা নৎত্রগা শেমশারবা খাউশিংদা য়োল্লবা অদুগা মদুদা মাগী মিংগা লৈফমগা থারবা অদুগা এক্ট অসিগী মখাদা হোংদোক হোংজিন য়াবা মতমগী ভমখৈগী মনুংদা, খাউ খুদিঙদা য়াউরিবশিংদু উবদা লায়না থোক্কদবা অমদি চুন্না মপান্দা হায়দুনা ইদ্রবদি;

(জি) মদু য়াউরিবা খাউ নৎত্রগা খাউদুগী মথক্তা লৈরিবা অইবা চেদুদা খাউদুগী মনুংদা য়াউরিবা শাশিন্নবা নৎত্রগা অখন্নবা মচাক্তা লান্না লৌহন্নবা ৱারোল নৎত্রগা মচাকশিংদুগী শকওং নৎত্রগা খুদম য়াউরবদি নৎত্রগা মনুংদা য়াউরিবশিং অদুগী মরীদা নমথাক্কী ওইবা খাউ ওইরবদি;

(ঐচ) মদু য়াউরিবা খাউ নৎত্রগা খাউদুগী মথক্তা লৈরিবা অইবা চেদুদা পোত্তু অশাবা নৎত্রগা পুথোকপদু ওইনা ইরিবা অদু শাশিন্নবা মী নৎত্রগা কম্পেনীগী মমিং ওইরবদি;

(আই) মদুনা অখন্নবা চিঙ্গাক্কী কান্নবশিংদু পীরবনী নৎত্রগা মন্থৎ ওইরবনী হায়রগা মদু শীজিন্নবগী কান্নবশিংদু মদু লৈরিবা মীদুদা মতীকচানা পাউ পীননবা মদুগী অইবা চেদুদা মদুগী ভিটামিন, মিনরেল অমদি চিঙ্গাক্কী ওইবা অতৈ মতীকশিং য়াউগদবনী হায়বদু য়াউদ্রবদি;

(জে) অশেংবা ৱাফমদু ফোঙদোকপা অইবা চে য়াউদনা খুৎশেমগী মহাউ হাপ্পা, খুৎশেমগী মচু থাকপা নৎত্রগা পথপুমথদনা থম্নবা পোয়ান হাপ্পবদি নৎত্রগা এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা শেমখিবা রুলশিংনা তঙাইফদনা তৌগদবনি হায়বশিংবু থুগাইরবদি;

(কে) এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা শেমখিবা রুলশিংনা তৌফম থোকহনবশিংগী মতুংইন্না অইবা চেরোল (নপত্রবদি) য়াউদ্রবদি — লান্না খুদম থারবনী হায়না লৌগনী;

(x) "পোৎয়োম" হায়বদি চানবা পোৎ হাপ্পবা নৎত্রগা য়োমশিন্নবা চেগী নৎত্রগা উগী উপু, লিক্লি, লুবাক, কোঙৌ তিন, পিপা, খাউ, পোৎহাপ্পবা পোৎ, বোরা, খাউ, য়োমশিন্নবা চেখুম নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎ হায়বনী;

(xi) "য়ুম-ইংখোল" হায়বসিদা করিগুম্বা দুকান, কৈথেলশঙ নৎত্রগা চানবা করিগুম্বা পোৎ অমা য়োল্লবা নৎত্রগা শারবা নৎত্রগা য়োন্নবগীদমক থম্লবা মফমসু মনুং চল্লি;

(xii) "অসুম তৌগদবনী হায়না লেপ্পবা" হায়বদি এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা রুলশিংনা অসুম তৌগদবনী হায়না লেপ্পবা হায়বনী;

(xiiএ) "শেমদোক শাদোক্লিবা চিঙ্গাক" হায়বদি লৌউশিংউবদগী নৎত্রগা হৈরা থাবদগী থোকপা মশাগী মহৌশাগী ওইবা মওঙদা লৈরিবা পোথোক অদুবুনী.

(xiii) "য়োনবা" হায়বসি মসিগী গ্রাম্মারগী ওইবা হোংদোক হোংজিন নাইবা মওঙশিং অমদি মদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকপা খুফোঙদোক্কা লোয়ননা, শেল পীনরগবু ওইরবসু শোত্তোক্লুনবু ওইরবসু নৎত্রগা পোৎকা পোৎকা শিন্নদুনবু ওইরবসু অমদি পুন্নবু ওইরবসু চোইনবু ওইরবসু

মীনা চাবদা শীজিন্নবা নৎত্রগা খায়দোক খায়জিন তৌদুনা য়েংনবা ওইনা চানবা পোৎ অমা য়োনবা হায়বনী, অদুগা মসিদা য়োনগে হায়না য়ারবা, য়োন্নবা লাম্থোক্লবা, য়োন্নবা পুথোক্নুনা থন্নবা; নৎত্রগা য়োল্লিবা মীদুগী ওইনা য়োন্ননবগীদমক্তা অদুগুম্বা পোৎশক অমা লৈবদুসু মদুগী মনুং চল্লি অদুগা অমুকসু অদুগুম্বা পোৎশক অমা য়োন্নবা হোৎনবসু মদুগী মনুং চল্লি;

(xiv) "মওঙ" হায়বদি এক্ট অসিগী নৎত্রগা এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা করিগুম্বা রুলশিংগী রেগুলেশনশিংগী মখাদা লৌবা চানবা পোৎ অমগী মওঙ হায়বনী;

(xv)"হকচাংদা ফত্তবা অমদি মাঙনবা ওইবা" হায়বা রাইহেশিং অসি চানবা পোৎ অমগী মরীদা শীজিন্নবদা মথংশিংনা হকচাংদা মাঙনবা ওইবা নৎত্রগা মীওইবনা শীজিন্নবদা নাতৈচাদবা হায়বনী;

২-এ। রাহম্থোক লৌনবা পথাপ ঃ জম্মু অমদি কাশ্মীর ষ্টেটতা চৎনদবা আইন অমা এক্ট অসিদা পল্লক্লবদি, ষ্টেট অদুগী মরীদা ষ্টেট অদুদা চৎনবা মদুগা চানবা আইন অমা লৈরবদি মদু পনবনী হায়না লৌগনী।

৩। ফুদ ষ্টেন্দার্দশিংগী সেন্ট্রেল কম্মিটি ঃ (১) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্ট অমদি ষ্টেট গবর্নমেন্টতা পাউতাক পীনবা অমদি মদু শিন্নবা অতৈ থবকশিং পাঙথোক্নবা এক্ট অসি চৎনবা হৌরবা মতুংদা হেক য়ারিবমখৈ থুনা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা ফুদ ষ্টেন্দার্দশিংগী সেন্ট্রেল কম্মিটি কৌবা কম্মিটি অমা শেমগনী।

(২) কম্মিটি অদুদা মখাগী মেম্বরশিংসি য়াউগনী, হায়বদি ঃ

(এ) মানা পায়রিবা ফম্না মরম ওইরদুনা চিয়ারমেন ওইগদবা, হকচাং ফনবা থবক ইনখাংগী দাইরেক্টর জেনরেল;

(বি) সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী দাইরেক্টর নৎত্রগা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিশিং অমদগী হেন্না লিংখৎলবা ওইরগনা মখোয়না পায়রিবা ফমশিংদুনা মরম ওইরদুনা অদুগুম্বা লেবোরেটরিশিং অদুগী দাইরেক্টরশিং;

(সি) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা হাপ্পা হৈশিংলবা অনী;

(দি) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা হাপ্পা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচরগগী লোয়শঙশিংদগী মেম্বর অমমম, কম্মর্স, দিফেন্স, ইন্দষ্ট্রি অমদি সপ্লাই অমদি রেলরেজগী মিনিষ্ট্রিশিংদগী মীহুৎ অমমম;

(ই) ষ্টেট খুদিঙগী গবর্নমেন্টনা হাপ্পা মেম্বর অমমম;

(এফ) ইউনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মহুৎ শিন্নবা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা হাপ্পা মীহুৎ অনী;

(জি) লৌউশিংউগী, ললোন ইতীক্কী অমদি খুৎশাহৈবগী হকশিংগী মীহুৎ ওইনবা মীহুৎ অমমম;

(জিজি) পোৎচৈ অমদি অতোপ্পগী থবক শীজিন্নরিবশিংগী হকশিংগী মীহুৎ ওইনবা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা হাপ্পা মীহুৎ মঙা; মখোয়দুগী মনুংদা অমদি হোটেলগী শিনফম তৌবদগী ওইগদবনী;

(ঐচ) মেদিকেল রিসর্সকী ইন্দিয়ান কাউন্সিলনা হাপ্পা হীদাক্লা লায়েংবা শিনফমগী মীহুৎ অমা;

(আই) ইন্দিয়ান ষ্টেন্দার্দস ইন্সটিট্যুসন (সার্তিফিকেসন মার্কস) এক্ট, ১৯৫২ (১৯৫২ গী ৩৬) গী সেক্সন ২ গী ক্লোজ (ই) দা পল্লবা ইন্দিয়ান ষ্টেন্দার্দস ইন্সটিট্যুসন্না হাপ্পবা মাহুৎ অমা।

(৩) করিগুম্বদা ঙন্না থবক্তগী তোকখিবা, শিবা নৎত্রগা অতোপ্পা মরম্না ফমশিংদু হাঙঙকপা নৎত্রগদি সব-সেক্সন (২) গী ক্লোজ (সি), (দি), (ই), (এফ), (জি), (জিজি), (ঐচ) অমদি (আই) দা পনখিবা মেম্বরশিংসি চহী অহুম থবক পায়বা য়াই অদুগা অমুক হন্না হাপ্পসু য়াই।

(৪) মদুদা ফম হাঙঙকপা থোক্লবসু কম্মিটিগী থবক অদুম্মক তৌবা য়াই।

(৫) কম্মিটিনা, লৈরগদি কম্মিটিদুনা থম্বা য়াবা ফীভমদুগী মখাদা কম্মিটিনা মখোয়দা শিন্নবা অদুগুম্বা পাঙ্গলশিং অমদি অদুগুম্বা মথৌশিং অদু পাঙথোক্লবা অদুগুম্বা অমদি অসুক য়াম্না লৈফম থোকই হায়না খনবা সব-কম্মিটিশিং হাপ্পা য়াই অদুগা কম্মিটিগী মেম্বরশিং নত্তবা মীওইশিংদা মদু হাপ্পা য়াই।

(৬) সেন্ট্রেল গর্বনমেন্টনা হান্না পীরবা অয়াবগী মখা পোন্না, মসিগী মশাগী থবক তৌনবা থৌওঙ অমদি মসিগী থবক থানা পাঙথোকপদা নিয়ম্না লাকশিনহন্নবা লনাই পথাপশিং শেম্বা য়াই।

৩-এ। সেক্রেটরিগা অতৈ তেংবাংনবা মীওইশিংগা হাপ্পা ঃ (১) কম্মিটিগী খুদুম মখাদা অমদি লমজিং লমতাক্কী মখাদা অদুগুম্বা পাঙ্গলশিং শীজিন্নগদবনী অমদি অদুগুম্বা মথৌশিং পাঙথোক্কদবনী হায়না পীবশিংদু নৎত্রগা কম্মিটিনা মঙোন্দা শিন্নবশিং পাঙথোক্লবগীদমক সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা কম্মিটিদুগী সেক্রেটরি অমা হাপকনী।

(২) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা চঙশ্ননী হায়না খনবা অদুগুম্বা চেচাং শুনবা অমদি অতৈ মতেং পাংনবা মীশকশিং কম্মিটিদুদা পীগনী।

৪। সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরি ঃ (১) এক্ট অসিনা নৎত্রগা এক্ট অসিগী মখাদা শেমগৎবা রুলশিংগী মখাদা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিদা শিন্নগৎবা মথৌশিংদু পাঙথোক্লবগীদমক্তা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্কুনা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরি অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না লিংগনী।

অদুবু সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্কুনা এক্ট অসিগী মরমশিংগীদমক্তা ওইনা সাইন্সকী চাংয়েংশঙ নৎত্রগা লুপ্পু সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরি অমনী হায়না শক্তাকপসু য়াই।

(২) কম্মিটিনা খন্নরবা মতুংদা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা --

(এ) সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরি অমগী থবকশিং অমদি অদুগুম্বা থবকশিংদু পাঙথোকফম ওইবা লোকেল এরিয়া অমদি এরিয়াশিং;

(বি) খাইদোক খাইজিন তৌদুনা য়েংনবা নৎত্রগা চাংয়েং তৌনবগীদমক চানবা পোৎকী মওঙশিং হায়খিবা সাইন্সকী চাং য়েংশঙদা থানবগী থৌওঙ, মদুদা সাইন্সকী চাংয়েংশঙনা মদুগী পাউদম পীরক্লবা ফোর্মশিং অমদি অদুগুম্বা পাউদমশিং অদুগী পীফম থোকপা ফীশিং;

(সি) হায়খ্রবা সাইন্সকী চাংয়েংশঙদুনা মদুগী থবকশিংদু পাঙথোক্লবগীদমক তঙাইফদবা অমদি তৌফম থোকপা অদুগুম্বা অতোপ্পা ৱাফমশিং—পীদুনা রুলশিং শেম্বা য়াই।

চিঞ্জাক্কী মতাংদা পীবা চাউরাকপা ৱারোলশিং

৫। চানবা পোৎচৈ খরা মপান্দগী পুশিল্লকপা থিংবা ঃ কনাগুম্বা মীশক অমত্তনা—

(i) য়ানশিল্লবা চিঞ্জাক;

(ii) খুদম লান্না থারবা চিঞ্জাক;

(iii) লাইসেন্সতা পীরিবা ফীভমশিংগী মতুংইন্না নত্তনা মপান্দগী পুশিল্লকপদা লাইসেন্স লৌগদবনী হায়বা চানবা পোৎ অমত্তা;

(iv) এক্ট অসিগী নৎত্রগা এক্ট অসিগী মখাদা শেমখ্রবা রুল অমগী অতৈ অতোপ্পা ৱারোলগী মায়োক্তা করিগুম্বা চানবা পোৎশক অমত্তা — মপান্দগী ভারত্তা পুশিল্লক্লোইদবনী।

৬। সমুদ্রগী ঙমখৈগী মাশুল লৌবগী আইন সীজিন্নবা অমদি মাশুলগী অঙম্বশিংগী পাঙ্গলশিং ঃ (১) এক্ট অসিগী সেক্সন ৫ গী মখাদা পুশিল্লকপা থিংখ্রবা চানবা পোৎচৈশিংদা অমদি দি সী কষ্টমস এক্ট, ১৮৭৮ (১৮৭৮ গী ৮) না মপান্দগী পুশিল্লকপা থিংখ্রবা পোৎচৈশিংদা, সমুদ্রগী ঙমখৈগী মাশুল লৌবগী মরীদা চৎনরিবা আইন অদু, এক্ট অসিগী সেক্সন ১৬ কী ৱারোলশিংগী মখা পোন্না শীজিন্নগনী অদুগা মাশুল লৌবগী ওফিসারশিং অমদি এক্ট অদুগী মখাদা মাশুল খোম্বা অমদা শিন্নবা মথৌশিং পাঙথোক্নবা পাঙ্গল পীরবা অঙম্বশিং অমদি অতোপ্পা মাশুল লৌবগী অঙম্বশিং অসিগী, মথক্তা হায়খ্রবা অদুগুম্বা পোৎশকশিংগী মতাংদা লৈবা পাঙ্গলশিংদুগা চপ মান্নবা, চাননবা অদুগুম্বা পোৎকী মরীদা, পাঙ্গল লৈগনী।

(২) সব সেক্সন (১) দা পীখিবা ৱারোলশিংদা অকায়বা পীবা তৌদনা মাশুল খোম্বা মী অদুনা নৎত্রগা সরকারগী অঙম্বা অমনা, এক্ট অসিগী সেক্সন ৫ গী মখাদা মপান্দগী পুশিল্লকপা থিংখ্রবা চানবা পোৎশক অমা য়াউই হায়না চিংনবা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎয়োম অমা খামদুনা থম্বা য়াই অদুগা খুদক্তা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরদা অদুম্না খামদুনা থম্মিবগী পাউদম পীগনী অদুগা, মানা তঙাইফদবা লৈহল্লক্লবদি, পোৎয়োম অদু নৎত্রগা মদুদা য়াউরম্বা চিংনবা চানবা পোত্তুগী মওঙশিং অদু হায়রিবা সাইন্সকী চাংয়েংশঙদুদা থাগনী।

৭। চানবা পোৎ খরা শাব, য়োনবনচিংবা থিংবা ঃ কনাগুম্বা নীশক অমনা মহাক মশামক্লা নৎত্রগা মহাক্কীদমক্তা মী অমনা —

(i) য়ানশিল্লবা চিঞ্জাক খরা;

(ii) খুদম লান্না থারবা চিঞ্জাক অমা;

(iii) চানবা পোৎশক অমা য়োনবগীদমক্তা লাইসেন্স লৌগদবনী হায়বা ওইরগদি লাইসেন্স অদু পীবগী ফিভমশিংগী মতুংইন্না তৌবখক্তদা নত্তনা;

(iv) মীয়ামগী হকচাং ফনা থম্বদা খুদোংচানবগীদমক্তা হৌজিক্কী ওইনা ফুদ (হেলঠ) ওথোরিটিনা য়োনবা থিংখ্রবা চানবা পোৎ অমা;

(v) এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা শেমখ্রবা রুল অমগী অতৈ অতোপ্পা ৱারোলশিংগী মায়োক্তা চানবা পোৎশক অমা; নৎত্রগা

(vi) পোৎয়ান অমা — য়োন্নবা শাবা, নৎত্রগা পৈশিন্দুনা থম্বা য়োনবা নৎত্রগা য়েম্ব্রোকপা তৌরোইদবনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ সেক্সন অসিগীদমক্তা, কনাগুম্বা মীশক অমনা য়োন্নবগীদমক মদুদগী চানবা পোৎশক অমা সানবগীদমক পৈশিল্লম্নবদি মহাক অদু য়ানশিল্লবা চিঞ্জাক, খুদম লান্না থারবা চিঞ্জাক নৎত্রগা ক্লোজ (iii) দা নৎত্রগা ক্লোজ (iv) নৎত্রগা ক্লোজ (v) দা পনখ্রবা চানবা পোৎ অমা পৈশিন্দুনা থম্বনী হায়না লৌগনী।

৮। **মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মী ঃ** সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা নৎত্রগা স্টেট গবর্নমেন্টনা মতীক চারে হায়না খনবা অদুগুম্বা মহৈ মশিংগী থাক অদু চেল্লবা অদুগুম্বা মীশকপু সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনবু ওইরবসু স্টেট গবর্নমেন্টনবু ওইরবসু মখোয়দা শিন্নবা লোকেল এরিয়াশিং অদুগীদমক্তা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্কুনা মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মী ওইনা হাপ্পা য়াই ঃ

অদুবু চানবা পোৎ অমা শাবদা, মপান্দগী পুশিল্লকপদা নৎত্রগা য়োনবদা শেলথুমগী হক লৈবা মীওই অমবু সেক্সন অসিগী মখাদা মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মী ওইনা হাপ্লোইদবনী ঃ

অদুগা অমুকসু তোঙান তোঙানবা চানবা পোৎশিংগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংনবা মীশিং হাপ্পা য়াই।

৯। **চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরশিং ঃ** (১) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা নৎত্রগা স্টেট গবর্নমেন্টনা মতীক চারে হায়না খনবা অদুগুম্বা মহৈমশিংগী থাক অদু চেনবা মী ওইগদবনী

হায়না লেপখ্রবা মহে মশিংগী থাক অদু চেল্লবা অদুগুম্বা মীশকপু সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনবু ওইরবসু ষ্টেট গবর্নমেন্টনবু ওইরবসু মখোয়দা শিন্নবা লোকেল এরিয়াশিং অদুগীদমক্তা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরশিং হাপ্পা য়াই ঃ

অদুবু চানবা পোৎ অমা শাবদা, মপান্দগী পুশিল্লকপদা নৎত্রগা য়োনবদা শেলথুমগী হক লৈবা মীওই অমবু সেক্সন অসিগী মখাদা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর ওইনা হাপ্পোইদবনী।

(২) চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর খুদিঙমক ইন্দিয়ান পেনাল কোদ, ১৮৬০ (১৮৬০ গী ৪৫) গী সেক্সন ২১ গী ৱাহম্ভোক্কী মনুংদা মীয়ামগী থবক তৌবা মী অমনী হায়না লৌগনী অদুগা মাবু হাপ্পিবা গবর্নমেন্ট অদুনা অকক্লনা লেপ্তুনা মসিগী মতাংদা পীবা অদুগুম্বা ওথোরিটি অদুগী থবক্কী ওইনা মখা পোনগনী।

১০। **চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরশিংগী পাঙ্গলশিং ঃ** (১) চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা—

(এ) (i) অদুগুম্বা পোত্তু য়োল্লিবা মীশক অমা;

(ii) অদুগুম্বা পোত্তু অৰৈবা মী অমদা নৎত্রগা থাবদা পুনবা মী অমদা পীনবা হোল্লিরিঙৈদা, পীথোকইঙৈদা নৎত্রগা পীথোক্কদগী তৌরিঙৈদা মদু তৌরিবা মীশক;

(iii) অদুগুম্বা পোত্তু থাবদা পুগদবা অদুগুম্বা পোৎশক অদু মঙোন্দা পীরবা মতুংদা অদুগুম্বা থিনগদৌরিবা মীশক — অদুদগী করিগুম্বা চানবা পোৎশক অমগী মওঙশিং লৌবা; অদুগা

(বি) অদুগুম্বা মওঙশিংদু লৌরকপা লোকেল এরিয়া অদুগী মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীদুদা অদুগুম্বা মওঙশিংদু মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা থাবা;

(সি) মরী লৈনবা লোকেল এরিয়া অদুগী মনুংদা মাগী পাঙ্গল শীজিন্নবা ঙম্বা লোকেল (হেলৠ) ওথোরিটি অদুদগী মাঙজৌনবা লৌবা অয়াবগা লোয়ননা নৎত্রগা ফুদ (হেলৠ) ওথোরিটিদগী মাঙজৌনবা লৌবা অয়াবগা লোয়ননা মীয়ামগী হকচাং ফনা থম্বা য়ানবগী কান্নবদু য়েংদুনা চানবা করিগুম্বা পোৎ অমা য়োনবা থিংবা — গী পাঙ্গল লৈগনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ ক্লোজ (এ) গী সব-ক্লোজ (iii) গী মরমশিংগীদমক্তা

"পোৎ থিনগদৌরিবা মী" হায়বসিদা মা মশানা শীজিন্নবগীদমক্তা চানবা পোৎ অমা লৈরিবা নৎত্রগা ফংলিবা মীশক অদুদি য়াউদে।

(২) চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা চানবা পোৎ অমা শানবা পৈদুনা থম্বা, পৈশিন্দুনা থম্বা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা য়োন্নবা চানবা পোৎ অমা শানবা পৈদুনা থম্বা, য়োন্নবগীদমক মপান্দা থম্বা নৎত্রগা উৎপা নৎত্রগা পোৎয়ান শাবা নৎত্রগা থম্বা মফম অমদা চঙবা অমদি য়েংশিন খোৎচিনবা য়াই অদুগা অদুগুম্বা চিঞ্জাক নৎত্রগা পোৎয়ানদুগী মওঙশিং মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা লৌবা য়াই।

অদুবু শেমদোক শেমজিন তৌদ্রিবা চিঞ্জাক অমা অদুগুম্বা চিঞ্জাক অমা ওইনা য়োনগে খন্দবা চানবা পোৎ অমগী মওঙ অমত্তা লৌবা য়াদে।

(৩) সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ (এ) নৎত্রগা সব-সেক্সন (২) গী মখাদা মওঙ অমা লৌবদা মদুগী মমলদু মহৌশাগী ওইনা মীয়ামদা পোৎ অদু য়োনবগী মমলগী চাংদা হোৎলগা মদু লৌফম ওইরিবা মীশক্তুদা পীগনী।

(৪) করিগুম্বদা চিঞ্জাক ওইননবা য়োল্লবা পোৎশক অমবু চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা য়ানশিল্লবনী নৎত্রগা খুদম লান্না পীরবনী হায়না উরবদি মহাক্না মদু ফাবা অমদি পুখিবা নৎত্রগা অদুগুম্বা পোত্তুগী অয়োনবা মীশক অদুদা মখাদা পীরিবা থৌওঙ অদুগী মতুংইন্না থবক চত্থনবা তেক্তা কায়দনা থমহনবা য়াই অদুগা মওঙ অমদসু অমদসু অদুগুম্বা পোৎশক অদুগী মওঙদু লৌগনী অদুগা মদু মীয়ামগী ওইনা লৈবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীশক অমদা মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা থাগনী;

অদুবু চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অদুনা অদুগুম্বা পোৎশক অদু অয়োনবা মীশক অদুদা তেক্ত কায়দনা থমহনবগী মতাংদদি মহাক্না অয়োনবা মীদুদা পোৎসক অদুগী মমলদুগা মান্নবা শেনফম অমগী চুক্তি অমা, চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরদুনা মতীক চানী হায়না নীংবা জমিন য়াবা মীশক অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবগা লোয়ননা, তৌহনবা য়াই অদুগা অয়োনবা মীদুনা মদুগী মতুংইন্না চুক্তি অদু থবক ওইনা পাঙথোক্কনী।

(৪-এ) সব-সেক্সন (৪) গী মখাদা ফাখ্রবা চানবা পোৎ অদুনা পথ পুমথগনবা ওইরবা অদুগা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিনা অদুগুম্বা চানবা পোত্তু মীওইবনা শীজিন্নবা য়াদবা য়ৌনা ফৎচিল্লক্ত্রে হায়না চপ চানা থাজরবদি, হায়রিবা ওথোরিটি

অদুনা পোৎয়োনবা অদুদা অইবা ওইনা নোটিশ পীরবা মতুংদা মদু মাঙহনখিবা য়াই।

(৫) সেক্সন অসিনা পীরবা পাঙ্গল অসিদা চাননবা পোৎ য়াউরম্ব য়াবা করিগুম্ব পোৎয়োম অমবু থুগাইরগা হাংদোকপা নৎত্রগা য়োন্নবগীদমক চানবা পোৎ থমম্বা য়াবা য়ুম ইংখোলগী থোঙ হাংদোকপগী পাঙ্গল য়াউই ঃ

অদুগা অমুকসু, চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরদুনা সেক্সন অসিগী মখাদা করিগুম্বা মফম অমদা চঙবা অমদি থিজিন হুমজিনবগী পাঙ্গলশিং অসি শীজিন্নবদা, হেক য়ারিবমখৈ পুলিশ ওফিসার অমনা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজিওর, ১৯৭৩ (১৯৭৪ গী ২) গী মখাদা থি-হুম্বা তৌনবা য়াথং অমা থবক ওইনা পাঙথোকপা মতমদা ইনগদবা কোদ অদুগী থি-হুম্বা অমদি য়েংশিনবগী মরীদা পীরিবা ব্বারোলশিং দু ইনগনী।

(৬) চানবা পোৎ শাবা নৎত্রগা য়েঙ্খোকপা নৎত্রগা কারবার তৌবা মীদুদা নৎত্রগা মহাক্কা মদুম্না তৌনবগীদমক লৈনরিবা য়ুমকৈদুদা লৈরম্বা থেংনরবা অদুগা মদু লৈরম্বনা মরম ওইরদুনা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অদুদা থাজনবা মদুগী মরম তাকপা ঙমদ্রবা অদুগা মঙোন্দা লৈরম্বা নৎত্রগা মাগী খুদুম মখাদা লৈরম্বা চাগা-চাদিংগী লাইরিকশিং নৎত্রগা অতৈ প্রমান ওইনা শীজিন্নবা য়াবা চে-চাংশিং অদুগা মখোয়বু এক্ট অসিগী মখাদা থিগৎ-খোৎকৎপদা নৎত্রগা কেশকী থবক চথবদা কান্নগদবা নৎত্রগা মরী লৈনগদবা ওইরবদি, চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরদুনা ফাজিনবা য়াই অদুগা মওঙ অদুবুনা মচল খাইদোক্কুনা য়েংনবগীদমক মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংলিবা মীদুদা থাদোকখিনী।

অদুবু অদুগুম্বা চাগা-চাদিংগী লাইরিকশিং অমদি অতোপ্পা প্রমান ওইবা য়াবা চে-চাংশিং অদু চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অদুনা মাগী মখা থাবা ওইনা লৈরিবা ওথোরিটি অদুগী মাঙজৌননা পীবা অয়াবা য়াউদনা মহাক্কা ফারোইদবনী।

(৭) সব-সেক্সন (১২) গী ক্লোজ (এ), সব-সেক্সন (২), সব-সেক্সন (৩) নৎত্রগা সব-সেক্সন (৬) কী মখাদা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরদুনা করিগুম্বা থবক অমা লৌখৎপা মতমদুদা মী অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না লৈনবা কৌগনী অদুগা মহাক্কী নৎত্রগা মখোয়গী শোই (সহি) লৌগনী।

(৭-এ) চাগা-চাদিংগী লাইরিকশিং নৎত্রগা অতোপ্পা প্রমান ওইবা য়াবা

চে-চাংশিং সব-সেক্সন (৪) গী মখাদা ফাগৎপা থোক্লগদি ফাবদুগী তারিখতগী নুমিৎ কুম্থ্রানীগী মতম হেন্দ্রিবঙেগী মনুংদা চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অদুনা অসুম তৌগদবনী হায়না অকক্লনা পীরবা মওঙদুদা মখোয়দুদগী শিন্দোক্লবশিং অমদি মচি ওইবা শরুকশিংদু লৌথোক্লগা মীশক্তুনা চুম্মে হায়না ইদুনা পীরবা মতুংদা মখোয়শিংদু ফারকফম ওইবা মীশক্তুদা হন্দোকখিগনী ঃ

অদুবু অদুগুম্বা মীশক্তুনা অদুন্না অচুম্বনী হায়না ইদুনা পীয়ু য়াদবগী মতাং ওইরবা অদুগা এক্ট অসিগী মখাদা মাগী মায়োক্তা কেশ অমা চথখ্রবা ওইরবদি, অদুগুম্বা চাগা-চাদিংগী লাইরিকশিং নৎত্রগা অতোপ্পা প্রমান ওইবা য়াবা চে-চাং শিংদুগী শিন্দোক্লবশিং অমদি মচি ওইবশিং অদু কোর্টনা চুম্মে হায়না ইদুনা পীরবদু লৌরবা মতুংদতা মঙোন্দা হন্দোক্কনী।

(৭-বি) সব-সেক্সন (৬) কী মখাদা পোৎয়ান অমা ফারবা মতাংদা, পোৎয়ান অদু য়ানশিন খোৎচিন তৌননবা নত্তে হায়বগী প্রমান পীবগী দায়ী অসি অদুগুম্বা ফাখিবা পোৎয়ান অদু লৈরম্বা মীশক অদুগী ওইগনী।

(৮) মওঙ অমা লৌফম ওইবা নৎত্রগা চানবা পোৎ অমা ফাভম ওইরিবা মীশক অমগী অশেংবা মমিং অমদি লৈফম খঙদোক্লবগীদমক্তা চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজিওর, ১৯৭৩ গী সেক্সন ৪২ গী মখাদা পুলিশ ওফিসারদা লৈবা পাঙ্গলশিংদু শীজিন্নবা য়াই।

(৯) (এ) মীঙোন্দা ওৎনৈবগী মওঙদা অমদি চিংননবগী নাতৈচাবা য়ুম্ফম লৈতনা চাননবা পোৎ নৎত্রগা পোৎয়ান অমা ফারিবা, নৎত্রগা

(বি) মাগী মথৌ পাঙথোকপদা অদুগুম্ব থবক অদু তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা মরম লৈতনা কনাগুম্বা মী অমদা অৱাবা অশোকপা থোকহনবা অতৈ অতোপ্পা থবক অমা তৌরিবা--

এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা শেমখ্রবা রুলশিংগী মখাদা পাঙ্গল শীজিন্নরিবা চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অদু এক্ট অসিগী মখাদা মরাল লৈবা মীশক অমা ওইগনী অদুগা মহাক অদু লুপা চামঙাদগীদি তাদবা অদুগা লুপা লীশিং অমা ফাউবা ৱাকোং শেল পীহন্নবগী চৈরাক পীগনী।

১১। চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টরশিংনা ইনগদবা থৌওঙ ঃ (১) চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা

মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবগীদমক্তা চিঞ্জাক্কী মওঙ অমা লৌবদা, মহাক্না —

(এ) খুদক অদুমক্তদা মদু লৌফম ওইবা মীশক অদুদা অমদি, লৈরগদি, সেক্সন ১৪-এ গী মখাদা মমিং, লৈফম অমদি অতোপ্পা অকুপ্পা মরোলশিং তাকথোক্লবা মীশক অদুদা মদু মচল খাইদোক্তুনা য়েংহন্নবগীদমক্তনী হায়দুনা অইবা ওইনা নোটিশ পীগনী;

(বি) এক্ত অসিগী মখাদা শেমখ্রবা রুলশিংনা পীরিবা অখন্নবা ফীভমশিংদা নক্তনা, মওঙ অদু খুদক্তা শরুক অহুম থোক্না খায়দোকনী অদুগা খুদম থাগনী অদুগা সিল তৌশিনগনী নৎত্রগা শরুক খুদিঙমক মদুগী মওঙনা য়াবা মওঙদা ফাজিনগনী অদুগা অশ্বাইদা অমদি অদুগুম্বা মওঙদা তৌগদবনী হায়না লেপ্পা মফমদুদা অমদি মওঙদুদা মদুগী লৌফম ওইরিবা মীশক অদুগী সহি নৎত্রগা খুবি শোই লৌগনী;

অদুবু অদুগুম্বা মীশক অদুনা সহি তৌ নৎত্রগা খুবি শোই তৌ হায়বা য়াদবা তারবদি চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অদুনা শাক্ষি অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা কৌরগা মহাক্কী নৎত্রগা মখোয়গী সহিবু ওইরবসু খুবি শোইশিংবু ওইরবসু অদুগুম্বা মীশক অদুগী সহি নৎত্রগা খুবি শোইগী মহুত্তা লৌগনী;

(সি) (i) শরুকশিং অদুগী মনুংদা অমনা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদা খঙহন্নগা মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবগীদমক মীয়ামগী মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীদুদা থাগনী; অদুগা

(ii) লেমহৌরিবা শরুক অনী অদুনা সেক্সন অসিগী সব-সেক্সন (২) গা সেক্সন ১৩ গী সব-সেক্সন (২-এ) গা (২-ই) গগী মরমগীদমক্তা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদা থাগনী।

(২) সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ (সি) গী সব-ক্লোজ (i) গী মখাদা মীয়ামগী মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা মীদুদা থাখিবা মওঙগী শরুক অদু মাঙখিবা তারগদি নৎত্রগা অকায়-অতোই থোক্লবদি, লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদুনা মীয়ামগী ওইনা মচল খাইদোক্তুনা য়েংলিবা মীদুনা পীয়ু হায়রকপদা হায়খ্রবা ক্লোজ (সি) গী সব-ক্লোজ (ii) গী মখাদা মদুদা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরদু মওঙদুগী থারকখ্রবা শরুকশিং অদুদগী অমা মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবগীদমক মীয়ামগী ওইনা মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা মীদুদা থাগনী।

(৩) সেক্সন ১০ গী সব-সেক্সন (১) নৎত্রগা (২) গী মখাদা চানবা পোৎ অমগী নৎত্রগা পোৎয়ান অমগী মওঙ অমা লৌবদা, চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অদুনা, মফম অদুগী মরী লৈনবা মীয়ামগী ওইনা মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা মীদুদা, মওঙ লৌবগীদমক শেম্বা রুলশিংগী মতুংইন্না চানবা পোৎকীবু ওইরবসু নৎত্রগা পোৎয়ানগীবু ওইরবসু নৎত্রগা অনীমক্কীবু ওইরবসু মওঙ অমা, মদু হেক থংনবা থবক শুগদবা নুমিৎ অদুদা থাগনী।

(৪) সেক্সন ১০ গী সব-সেক্সন (৪) গী মখাদা চানবা পোৎ অমা ফাখিবদা, সেক্সন অদুগী সব-সেক্সন (৪-এ) গী মখাদা মাঙহন তাকহনবা তৌখিদ্রবদি, মদুগা সেক্সন অদুগী সব-সেক্সন (৬) কী মখাদা ফাগৎখ্রবা পোৎয়ান্দুগা হেক য়ারিবমখৈ থুনা অমদি করিগুম্বা মওঙ অমত্তদা মীয়ামগী ওইনা মচল খাইদোক্তুনা য়েংলিবা মীদুগী ব্বারোল ফংবা মতুং নুমিৎ তরেৎনীদগী থেঙথদনা, মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্কদবনী।

অদুবু মসিগী মরীদা মঙোন্দগী চানবা পোৎ অমা ফাখ্রবা মীশক অদুনা মেজিষ্ট্রেট অদুদা দরখাষ্ট অমা থারক্লবদি, মেজিষ্ট্রেট অদুনা অইবা য়াথং অমা তৌদুনা য়াথংদুদা লেপ্পা মতম অদুগী মনুংদা অদুগুম্বা পোৎশক অদু মাগী মমাঙদা পুথোক্লবা চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টরদুদা লমজিং লমতাক পীগনী।

(৫) মানা তঙাইফদবনী হায়না লৌদুনা অদুগুম্বা শাক্সিদু লৌবদা মেজিষ্ট্রেট অদুনা —

(এ) মাগী মমাঙদা সব-সেক্সন (৪) গী মখাদা পুথোক্লক্লবা চানবা পোৎ অদু য়ানশিন্নরবা নৎত্রগা খুদম লান্না থারবা ওইনা উরবদি মহাক্না মদু —

(i) সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টতুদা ওইরবসু ষ্টেট গবর্নমেন্টতুদা ওইরবসু নৎত্রগা লোকেল ওথোরিটিদুদবু ওইরবসু মৎননবা; নৎত্রগা

(ii) মীগী চিঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবা থিংনবা মপুদুদগী নৎত্রগা মঙোন্দগী মদু ফাখিবা মীশক অদুদগী মমল ওইনা মাঙহন তাহন্নবা; নৎত্রগা

(iii) মদুগী নমথাক তৌরবা মমিং অদুদা য়োন্নবগীদমক্তা নৎত্রগা চিঙ্গাক ওইনবা পুথোক্তুনা থম্বদু ঙাকথোকপা (তৌহন্দবা)

য়ানবা মওঙদা লোইথোকহন্নবা; নৎত্রগা

(iv) মদুগী অশেংবা মমিংদুদা য়োন্ননবা ব্রাশক-চে অমা শোইশাং মঙোন্দা তৌহন্দুনা চৎনহন্নবা তৌরগা, মপুদুদা হলহন্নবা নৎত্রগা মেজিষ্ট্রেট অদুনা চাননবা পোৎ অদু অমুক হন্না শেমশারগদি মীওইবনা চাবা য়ানবা অসিগুম্বা থাক্কী ওইগদবনী হায়না লেপখ্রবদুগা চানহনবা য়াগনী হায়না চপ চানা থাজরবদি, য়াথংদুদা পন্দুনা পীরিবা অদুগুম্বা ওফিসার অদুগী য়েংশিন খোৎচিন তৌবগী মখাদা অমুক হন্না শেম শাহল্লগা য়োন্ননবা— য়াথং পীবা য়াই।

(বি) সেক্সন ১০ গী সব-সেক্সন (৬) কী মখাদা ফাগ্রবা অমদি মাগী মমাঙদা পুথোক্লবা পোৎয়ান অদু য়ানশিন খোৎচিন তৌনবগীদমক্তা শীজিন্নবা য়াবা মখলগীনী হায়বসি ইরায় লায়না উরবা অমদি মদু লৈরুবদগী অশেম্বা মীবু ওইরবসু, য়েঙ্খোকইবা মীনবু ওইরবসু নৎত্রগা মদুগী কারবার তৌরিবা মীদুনবু ওইরবসু মদুগী মরম শেংনা অপেনবা মওঙদা পীবা ঙমদ্রবদি মদু মহাক্লা সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টতবু ওইরবসু, ষ্টেট গবর্নমেন্টতবু ওইরবসু নৎত্রগা লোকেল ওথোরিটিদবু ওইরবসু — মৎননবা য়াথং পীবা য়াই।

(৬) করিগুম্বা মেজিষ্ট্রেট অদুনা অদুগুম্বা —

(এ) চানবা পোৎ অদু য়ানসিন খোৎচিন তৌদে; নৎত্রগা

(বি) পোৎয়ান্নী হায়না লৌবা পোৎয়ান অমা পোৎয়ান ওইরমদ্রে — হায়না উরবদি মঙোন্দগী চানবা চিঙ্গাক নৎত্রগা পোৎয়ান্দু মাগী ওইনা লৈরম্বদগী লৌখ্রবা মীশক অদুদা (লৌখ্রবা পোত্তু) অমুক হন্না হঞ্জিনবিবা য়াই অদুগা মেজিষ্ট্রেট অদুনা মাগী অনীংবগী মখা পোন্না অদুগুম্বা মীশক্তুদা মসিগী মরীদা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা অসিদগী তৌখো হায়না পাউতাক পীরবা পুক্কৈদুদগী মঙোন্দা তশেংনা অমাঙবা থোকখ্রবদুদগী হেন্দনা মেজিষ্ট্রেট অদুনা মদুনা মতীক চারে হায়না খনবা ক্ষতিপুরন পীননবা ব্রায়েল পীগনী।

১২। অরৈবা মীনা চিঙ্গাকপু মচল খাইদোক্তুনা য়েংহনবা য়াই ঃ এক্ট অসিদা

য়াউরিবা করিগুম্বা অমত্তুনা, চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অমা নৎত্রগা অরৈবা মীদু এসোসিয়েশন অদুগী মেম্বরবু ওইরবসু ওইদ্রবসু শকখঙলবা কঞ্জুমর এসোসিয়েশন অমা নত্তুনা, কনাগুম্বা চানবা চিঙ্গাক্কী পোৎশক লৈরিবা মীশক অমনা অসুক পীগদবনী হায়না লেপ্তুনা থমখ্রবা ফীদু পীরগা মীয়ামগী ওইনা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মীশক্কুদা অদুগুম্বা পোৎশক্কু মচল খাইদোক্কুনা য়েংহনবা অমদি মীয়ামগী মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মীদুদগী মানা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবগী পাউদম অদু ফংবদা থিংবনী হায়না লৌবা য়াদে ঃ

অদুবু অরৈবা মীদুনা নৎত্রগা শকখঙলবা এসোসিয়েশন অদুনা লৈবা মতমদা অদুগুম্বা পোৎ অদুবু মচল খাইদোক্কুনা য়েংহন্নীংবগী মাগী নৎত্রগা মদুগী অপাম্বদু অয়োনবদুদা পাউ পীরমগদবনী ঃ

অদুগা মখাতাবা ওইনা, অদুগুম্বা পোৎশক অদু মচল খাইদোক্কুনা য়েংহন্নিংঙিবা চানবা পোৎ লৈবা মী নৎত্রগা শকখঙলবা কঞ্জুমর এসোসিয়েশন অদুদা, মচল খাইদোক্কুনা য়েংনবা মওঙ অমা লৌবা চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর অমদা সেক্সন ১১ গী সব-সেক্সন (১), সব-সেক্সন (২) অমদি সব-সেক্সন (৩) গী ৱারোলশিং শীজিন্নবদৌনা হেক য়ারিবমখৈ, শীজিন্নগনীঃ

অদুগা অমুকসু মীয়ামগী ওইনা লৈবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংলিবা মীদুগী পাউদম অদুনা চানবা পোৎ অদু য়ানশিন্নরবনী হায়বা উৎলবদি, সেক্সন অসিগী মখাদা, অরৈবা মীদু নৎত্রগা শকখঙলবা কঞ্জুমর এসোসিয়েশন অদুদা মানা নৎত্রগা মদুনা পীখিবা ফী অদু হঞ্জিনহনবগী হক লৈগনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ সেক্সন অসিগী অমদি সেক্সন ২০ গী মরমদীদমক্তা 'শকখঙলবা কঞ্জুমর এসোসিয়েশন' হায়বসি কম্পেনী এক্ট (১৯৫৬ কী ১) নৎত্রগা চৎনরিবা অতোপ্পা আইন অমগী মখাদা মমিং চনশিল্লবা মনীংতম্বা লনাইগী কঞ্জুমর এসোসিয়েশন অমনী।

১৩। মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মীগী পাউদম ঃ (১) মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবা মীদুনা মঙোন্দা মচল খাইদোক্কুনা য়েংনবা থাগৎলকপা চানবা পোৎ অদুবু মচল খাইদোক্কুনা য়েংবগী ফল অদুগী পাউদমদু অদুগুম্বা ফোর্মদুদা পীগদবনী হায়না লেপখ্রবা ফোর্মদুদা লোকেল (হেলৎ) ওথোরিটিদুদা থাগনী।

(২) চানবা পোত্তু য়ানশিন্নরবনী হায়দুনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা মচল খাইদোক্কুনা য়েংবগী ফলগী পাউদম অদু ফংবদা, চানবা পোত্তুগী মওঙদু লৌফম ওইবা মীশক অমদি সেক্সন ১৪-এ গী মখাদা, লৈরগনা, মমিং, লৈফম অমদি অতোপ্পা অকুপ্পা মরোলশিং লাউথোকখ্রবা মীশক্তুগী মায়োক্তা কেশ থাঙ্গৎলবা মতুংদা, অসুম তৌফম থোকই হায়না লেপখ্রবা মওঙদুদা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবগী ফল অদুগী মান্ননা শিন্দোল্লবা অমমম অদুগুম্বা মীশক্তুদবু ওইরবসু মীশকশিংদুদবু ওইরবসু করিগুম্বা মদুম তৌবা পাল্লবদি অমনা নৎত্রগা অনীমক্তুনা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদা থমখিবা চিঞ্জাক্কী মওঙ অদু সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিনা মচল খাইদোক্তুনা য়েংখিবগী পাউদম অদু ফংবা তারিখ অদুদগী নুমিৎ তরানিগী মতমগী মনুংদা, ব্বায়েনশঙদা দরখ্বাষ্ট অমা থাবা য়াগনী হায়না অদুগুম্বা মীশক নৎত্রগা মীশকশিংদা থাগনী।

(২-এ) সব-সেক্সন (২) গী মখাদা ব্বায়েলশঙদুদা দরখ্বাষ্ট অমা থারক্লবা মতমদা ব্বায়েলশঙ অদুনা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটি অদুদা হায়খ্রবা ওথোরিটি অদুদা থমহৌরিবা মওঙ অদুগী শরুক নৎত্রগা শরুকশিং অদু থাগৎহল্লক্কনী অদুগা অসুন্না থাগৎলকউ হায়রক্লবদা, হায়খিবা ওথোরিটি অদুনা অদুগুম্বা থারকউ হায়না হায়রকপদু ফংবগী নুমিৎ মঙানিগী মতমগী মনুংদা মওঙদুগী শরুক নৎত্রগা শরুকশিংদু থাগনী।

(২-বি) ব্বায়েলশঙ অদুনা সব-সেক্সন (২-এ) গী মখাদা লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটি অদুদগী মওঙ অদুগী শরুক নৎত্রগা শরুকশিং অদু ফংঙবদা ব্বায়েলশঙনা অহানবদা সেক্সন ১১ গী সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ (বি) দা হায়বগুম্না খুদম অমদি সিল তৌবা নৎত্রগা ফাজিনবদু তেক্ত কায়দনা লৈরি অদুগা সহিবু ওইরবসু নৎত্রগা খুবিশোইবু ওইরবসু তৌরিবা অদু শেমদোক শেমজিন তৌদে হায়বদু খঙদোক্কনী অদুগা মওঙদুগী শরুক্তুবু ওইরবসু নৎত্রগা শরুকশিংদুগী মনুংদা অমখকপু ওইরবসু মা মশাগী সিল নমদুনা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরদা মওঙদুগী শরুক অদু ফংবগী তারিখ অদুদগী থা অমগী মনুংদা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবগী ফল অদু তাক্তুনা ব্বায়েলশঙদুদা অসিগুম্বা মওঙদা পীগদবনী হায়না লেপথোক্লবা মওঙদা সার্টিফিকেট অমা পীরক্লবা থাগনী।

(২-সি) ব্বায়েলশঙদা মওঙদুগী শরুক অনী থাখ্রবা অদুগা ব্বায়েলশঙনা মওঙদুগী শরুক অমখক্তমক সব-সেক্সন (২-বি) গী মখাদা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী

ডাইরেক্টরদা থাখিবা মতাংদদি ৱায়েলশঙদুনা হেক য়ারিবমখৈ থুনা লেমহৌরিবা শরুক অদু লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদা থাখিগনী অদুগা ওথোরিটি অদুনা ৱায়েলশঙদুনা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিদগী সার্টিফিকেট অদু ফংলবা মতুংদা শরুক অদু মাঙহনখিগনী ঃ

অদুবু ৱায়েলশঙনা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরদা থাখিবা মওঙদুগী শরুক্তু মাঙখিবা নৎত্রগা অশোয়-অঙাম থোকপা তারগদি মদুদা খাকহৌবকা লৈহৌরবদি, মওঙদুগী শরুক অদু লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটিদুবু ৱায়েলশঙদুদা থারকহনগনী অদুগা মদু ফংবগা ৱায়েলশঙদুনা সব-সেক্সন (২-বি) দা পীরিবা ৱারোলদুগী মওঙদা থবক মখা চত্থগনী।

(২-দি) মচল খাইদোক্তুনা য়েংবগী ফলগী সার্টিফিকেট অদু সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টবনা ফংদ্রিবমখৈ মদুদা কেশ অদুগী মরীদা পন্দুনা লৈরিবা থবকশিংদু ৱায়েলশঙদুনা মখা চত্থরোই।

(২-ই) চিঙ্গাক্কী ইন্সপেক্টর নৎত্রগা অতোপ্পগী পাউদম লৈরম্বা থোক্তুনা, মদু খন্নরবা মতুংদা, লোকেল (হেলঠ) ওথোরিটি অদুনা মীয়ামগী ওইনা লৈবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংলিবা মীনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা পীরকপা পাউদমদু অরানবনী হায়বগী মোৎ লৈরবদি হায়রিবা ওথোরিটিদুনা মদুনা থম্লিবা মওঙদুগী শরুকশিংগী মনুংদা অমা অতৈ অতোপ্পা মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মী অমদা মওঙদুগী শরুক অদু মচল খাইদোক্তুনা য়েংনবা থাগনী অদুগা করিগুম্বদা অদুগুম্বা অতোপ্পা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীদুনা মওঙদুগী শরুক অদু মচল খাইদোক্তুনা য়েংবগী পাউদমদুনা চানবা পোৎ অদু য়ানশিন্নরবনী হায়বা ওইরবদি সব-সেক্সন (২) দগী সব-সেক্সন (২-দি) ফাউবগী ৱারোলশিং অদু, হেক য়ারিবমখৈ, শীজিন্নগনী।

(৩) সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরনা সব-সেক্সন (২-বি) গী মখাদা পীবা সার্টিফিকেটনা সব-সেক্সন (১) গী মখাদা মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীদুনা পীবা পাউদমদু নমহত্তুনা মন্থত্তা চৎনগনী।

(৪) এক্ট অসিগী মখাদা নৎত্রগা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (১৮৬০ গী ৪৫) সেক্সন ২৭২ দগী ২৭৬ ফাউবগী মখাদা লৌখৎপা কেশকী থবক্তা সব-সেক্সন (২-বি) গী মখাদা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরদগী লৌরকপা সার্টিফিকেট অমা পুথোকপা তারবদি, অদুগুম্বা কেশকী থবক অদুদা মচল খাইদোক্তুনা

য়েংনবগীদমক্তা চিঙ্গাক্কী মওঙদুগী শরুক অমত্তা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরোই।

(৫) মীয়ামগী ওইবা মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মী অমনা সহি তৌরবা পাউদম্নী হায়না লৌরবা প্রমান ওইগদবা চে-চাং অমবু সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা নমহক্তুনা অতোপ্পনা মহুৎ শিনখিদ্রবদি নৎত্রগা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরনা সহি তৌরবা সার্টিফিকেটনী হায়না প্রমান ওইবা য়াবা চে-চাংদুগী অশেংবা ৱাফমশিংদু এক্ট অসিগী মখাদা নৎত্রগা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (১৮৬০ গী ৪৫) গী সেক্সন ২৭২ দগী ২৭৬ ফাউবগী মখাদা লৌখৎপা কেশকী থবক্তা শাক্তি ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

অদুবু সেক্সন ১৬ কী সব-সেক্সন (১-এ) গী ঙমখৈ তাকপা ৱাফমদুদা পল্লিবা চানবা পোৎকী মওঙদুগী শরুক অদু মচল খাইদোক্তুনা য়েংবগী মরীগী সার্টিফিকেটতুদি নত্তবা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরনা সহি তৌরবা সার্টিফিকেটনী হায়বা প্রমান ওইনা শীজিন্নবা য়াবা করিগুম্বা চে-চাং অদু মদুদা হায়রিবা অচুম্বা ৱাফমশিং অদুগী অরোইবা অমদি ৱারোই ওইবা য়াবা শাক্তি ওইগনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ সেক্সন অসিদা অমদি সেক্সন ১৬ কী সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ (এফ) তা য়াউরিবা, "সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টর" হায়বসিদা হৌজিকমক্কী ওইনা (মহাকপু মিংথোল অমা ওইনা খঙনরবসু) সেক্সন অসিগী মরমশিংগীদমক সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা শকখঙলবা ফুদ লেবোরেটরি অমগী থবক পুরিবা ওফিসার অমসু মনুং চনগনী।

মখল মথেল

১৪। অশাবশিং, য়েঙ্খোকপশিং অমদি ললোনবশিংনা চুম্মি হায়বা ৱারোল পীগদবা ঃ

করিগুম্বা চানবা পোৎ শাবা, য়েঙ্খোকপা অমদি ললোনবা অমত্তনা অয়োনবা মী অমত্তদা পোৎ অদুগী মওঙ মতৌ অমদি মতীক ময়াইগী মরমদা অদুগুম্বা মওঙদুদা অসুম তৌগদবনী হায়বা মওঙদা অইবা ওইনা চুম্মবনী হায়বগী ৱারোল অমসু পীদনা অয়োনবদুদা য়োনবা তৌরোইদবনী ঃ

অদুবু অদুগুম্বা পোৎ অদুগী অশাবা, অয়েনবা নৎত্রগা ললোনবা মীদুনা করিগুম্বা চানবা পোৎ অমা অয়োনবা মীদা য়োনবগী মতাংদা পীরকপা পোৎ

পুরকমল উৎপা চে, শেল পীথোক পীশিন তৌবগী নীংশিংনবা অইবা চে নৎত্রগা পোৎ থাখিবগী মমলগা কোন্ননা পীরকপা চে-চাং অদু সেক্সন অসিগী মখাদা অশাবা, অয়েনবা নৎত্রগা ললোনবা মীদুনা পীবা চুম্মবনী হায়বা ৱারোলনী হায়না লৌগনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ সেক্সন অসিদা, সেক্সন ১৯ গী সব-সেক্সন (২) দা অমদি সেক্সন ২০-এ দা য়াউরিবা "অয়েনবা" হায়বা ৱাহৈ অসিদা কম্মিশন এজেন্টস্ মনুং চল্লি।

১৪-এ। অয়োনবনা চানবা পোত্তু লৈরুফম ওইবা মীশক্তুগী মমিংনচিংবা হায়দোকফম থোকপা ঃ চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টরনা মদুম তৌগদবনী হায়রবদি চানবা পোৎ অমা য়োল্লিবা মীশক অমনা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অদুদা মানা চানবা পোত্তু লৈরুফম ওইরিবা মীশক অদুগী মমিং, লৈফম অমদি অতৈ অকুপ্পা মরোলশিং হায়দোক্কদবনী।

১৫। হুচেনশিল্লকপা চিঞ্জাক্কী মরমদা খঙহনবা ঃ সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টনা নৎত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা খঙহন্নবা থোকপা চেদুদা পল্লিবা লোকেল এরিয়াদুদা হীদাক্না লায়েংবগী থবক তৌরিবশিং অদুনা মখোয়না মখোয়গী শিনফম অদুগী থবক্তু চত্থবদা মখোয়না খঙবগী মনুংদা হুচেনশিল্লক্লবা চিঞ্জাক্কী মরমদা পুমনমক্তু খঙহন্নবা থোকপা চেদুগী মনুংদা পল্লিবা অদুগুম্বা ওফিসার অদুদা পাউদম পীহনবগী তঙাইফদবা লৈহনবা য়াই।

১৬। চৈরোকশিং ঃ (১) সব-সেক্সন (১-এ) গী মখা পোন্না কনাগুম্বা মীশক অমনা –

(এ) মা মশানবু ওইরবসু নৎত্রগা মাগীদমক্তা অতৈ অতোপ্পা কনাগুম্বা মীশক অমনা –

(i) সেক্সন ২ গী ক্লোজ (i-এ) গী সবক্লোজ (এম) গী ৱাহল্লোক্কী মনুংচন্না য়ানশিন্নরবা ওইরবা নৎত্রগা সেক্সন অদুগী ক্লোজ (ix) গী ৱাহল্লোক্কী মনুং চন্না খুদম লান্না থারবা ওইরবা নৎত্রগা এক্ট অসিগী নৎত্রগা মদুগী মখাদা শেমখ্রবা করিগুম্বা রুল অমগী মখাদা নৎত্রগা ফুদ (হেলঠ) ওথোরিটিগী য়াথং অমনা মদু য়োনবা থিংখ্রবা;

(ii) সব-ক্লোজ (i) দা পনখ্রবা চানবা পোৎ অমা নত্তবা এক্ট অসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা শেমখ্রবা রুল অমগী মখাদা থিংখ্রবা;

চানবা পোৎ অমা মপান্দগী ভারত্তা পুশিল্লকপা নৎত্রগা য়োন্নবা শাবা, নৎত্রগা পৈশিনবা, য়োনবা নৎত্রগা য়েঙ্থোকপা; নৎত্রগা

(বি) মা মশামক্নবু ওইরবসু নৎত্রগা মাগীদমক্তা অতোপ্পা মীশক অমনা হকচাংদা শোকহনগদবা নত্তবা করিগুম্বা পোৎয়ান অমা ভারত্তা পুশিল্লকপা, নৎত্রগা য়োন্নবা শাবা নৎত্রগা য়োনবা নৎত্রগা য়েঙ্থোকপা; নৎত্রগা

(সি) এক্ট অসিনা মওঙ অমা লৌবা ঙমহল্লবা চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা লৌবা থিংবা; নৎত্রগা

(দি) এক্ট অসিনা নৎত্রগা (মসিগী) মখাদা মঙোন্দা পীরবা অতৈ অতোপ্পা পাঙ্গলশিং চিঞ্জাক্কী ইন্সপেক্টর অমনা শীজিন্নবদা থিংবা; নৎত্রগা

(ই) চানবা পোৎ শাবা অমা ওইনা হকচাংদদি শোক্লোইদবা পোৎয়ান অমা মঙোন্দা লৈবা নৎত্রগা মানা লৈনবা মাগী য়ুম-ইংখোলদা লৈরবা; নৎত্রগা

(এফ) চানবা পোৎ অমা মীয়ামদা খঙহন্নবা শন্দোক্নবগীদমক্তা সেন্ট্রেল ফুদ লেবোরেটরিগী ডাইরেক্টরনা নৎত্রগা মীয়ামগী মচল খাইদোক্তুনা য়েংবা মীনা পীরকপা পাউদম নৎত্রগা সার্টিফিকেট নৎত্রগা মখোয়দুদগী মতেক অমা লৌথোক্তুনা শীজিন্নবা; নৎত্রগা

(জি) চানবা পোৎ অমগী মরীদা মা মশামক্না নৎত্রগা মাগীদমক্তা অতোপ্পা কনাগুম্বা মীশক অমনা পোত্তুগী মতীক ময়াইদু শোইদ্রবনী হায়না শাশিন্নদুনা অইবা ওইনা লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীদা পীবা —

তৌরবদি মহাক অদু, সেক্সন ৬ কী মখাদা মঙোন্দা পীবা য়াবা চৈরাক্কী মথক্তা, মহাকপু থা তরুক্তগীদি তাদনা অদুগা চহী অহুম ফাউবা শাংদোকপদি য়াবা কৈশুমশঙদা থম্বা অদুগা লুপা লীশিঙ অমদগী তাদনা ৱাকোংশেল পীহনবা য়াই ঃ

অদুবু

(i) মরান অদুনা ক্লোজ (এ) গী সব-ক্লোজ (i) গী মখাদা ওইরগদি অদুগা চানবা পোৎ অদুনা শেমদোক শাদোক্লিবা পোৎ ওইরবা অদুবু মীখুৎ চঙদুনা য়ানশিন্নরবা ওইরবদি

নৎত্রগা সেক্সন ২ গী ক্লোজ (ix) গী সব-ক্লোজ (কে) গী ৱাহঙ্খোক্কী মনুং চনবা খুদম লান্না থারবা চানবা পোৎকী মরীদা ওইরবদি; নৎত্রগা

(ii) মরান অদুনা ক্লোজ (এ) গী সব-ক্লোজ (i) গী মখাদা ওইরবদি অদুবু সেক্সন ২৩ গী সব-সেক্সন (১-এ) গী ক্লোজ (এ) নৎত্রগা ক্লোজ (জি) গী মখাদা শেম্বা রুল অমা থুগায়বগী মরীদা ওইবা মরাল নৎত্রগা সেক্সন ২৪ গী সব-সেক্সন (২) গী ক্লোজ (বি) গী মখাদা ওইবা মরান অমদি নত্তবা ওইরবদি —

ৱায়েল অদুদা পল্লবা চপচাবা অমদি অখন্নবা মরম অমগীদমক, ৱায়েলশঙদুনা, থা অহুমদগীদি তাদবা অদুবু চহী অনী য়ৌনা শাংদোকপদি য়াবা মতমগী ওইনা কৈশুমশঙদা থম্নবগী অমদি লুপা চামঙাদগী তাদনা ৱাকোংশেল পীহন্নবগী চৈরাক পীবা য়াই।

অদুগা অমুকসু, মরাল অদুনা ক্লোজ (এ) গী সব-ক্লোজ (ii) গী মখাদা ওইরবা অদুগা সেক্সন ২৩ গী সব-সেক্সন (১-এ) গী ক্লোজ (এ) নৎত্রগা ক্লোজ (জি) গী নৎত্রগা সেক্সন ২৪ গী সব-সেক্সন (২) গী ক্লোজ (বি) গী মখাদা শেম্বা রুল অমা থুগায়বগী মরীদা ওইরবদি ৱায়েলশঙ অমনা ৱায়েল অদুদা পানগদবা চপচাবা অমদি অখন্নবা মরমশিং অদুগীদমক চহী অহুম ফাউবা শাংদোকপা য়াবা মতমগী কৈশুমশঙদা থম্নবা অমদি লুপা চামঙা ফাউবা য়ৌহনবা য়াবা ৱাকোং শেল পীনবা চৈরাক পীবা য়াই।

(১-এ) মীশক অমনা মা মশামক্লা নৎত্রগা মাগীদমক্তা অতৈ অতোপ্পা মীশক অমনা —

(i) সেক্সন ২ গী ক্লোজ (i-এ) গী সব-ক্লোজ (ই) দগী (আই) ফাউবগী (অনীমক য়াউনা) মনুংদা অমগী ৱাহঙ্খোক্কী মনুংদা য়ানশিল্লবনী হায়রবা চানবা পোৎ অমা; নৎত্রগা

(ii) হকচাংদা শোকহনগদবা পোৎয়ান অমা —

ভারত্তা পুশিল্লকপা, নৎত্রগা য়োন্নবা শাবা, নৎত্রগা পৈশিল্লবা, য়োল্লবা নৎত্রগা য়েঙ্খোক্লবদি মঙোন্দা চহী অনীদগীদি তাদবা অদুগা চহী তরুক ফাউবা

শাংদোকপদি য়াবা মতমগী ওইনা কৈশুমশঙদা থম্নবা অদুগা লুপা লীশিঙ অনীদগী তাদনা ব্রাকোংশেল পীহনবগা লোয়নননা চৈরাক পীবা য়াই।

অদুম ওইমনক, চানবা পোৎ অদু নৎত্রগা পোৎয়ান অদু কনাগুম্বা মীশক অমনা চাবদা শিবা থোকপা য়াবা নৎত্রগা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ (১৮৬০ গী ৪৫) গী সেক্সন ৩২০ গী ব্রাহম্থোক্কী মনুংদা শাথীনা শোকপা হায়বদু কৌবা য়াবা মশোক অমা মশাদা থোকপা য়াবা ওইরবদি মহাকপু চহী অহুমদগী তাদবা মতমগী কৈশুমশঙদা থম্নবা অদুগা লোয়নননা লুপা লীশিঙ মঙাদগী তাদনা ব্রাকোংশেল পীহন্নবা চৈরাক পীগনী।

ꯂꯆꯗꯝꯄ ꯌꯌꯍ: ꯂꯝꯂꯆ ꯑꯂꯤꯒꯤ ꯃꯌꯃꯂꯤꯒꯤꯗꯃꯝꯁꯗ ꯅꯕꯅ, ꯔꯨꯗꯍꯕ ꯅꯁꯕꯅ, ꯑꯔꯕ ꯔꯁꯅ ꯂꯨꯁꯤ ꯇꯌꯨꯕꯅ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯍꯝ ꯍꯤꯗꯨꯅ ꯍꯕꯝ ꯂꯨꯄꯆꯔꯤꯗꯕꯅ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯃꯂꯅ ꯁꯒꯤ ꯄꯔꯕ ꯑꯃ ꯔꯁꯅ ꯍꯕꯝ ꯇꯄꯄꯨꯕ ꯅꯆꯁꯅ ꯃꯌꯝ ꯃꯌꯝꯁ ꯍꯕꯝ ꯇꯄꯄꯒꯤ ꯃꯁꯃꯂꯤ ꯔꯁꯔꯤꯗꯨꯅꯂꯨ ꯗꯨꯈꯆ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯇꯔꯂꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯤꯆꯃꯤ ꯑꯃꯅ ꯇꯤꯂ ꯂꯤꯆꯅ ꯍꯕꯝ ꯁꯌꯝꯔ ꯄꯔꯅ ꯇꯒꯅꯤ, ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯔꯕ ꯔꯁꯕ ꯂꯨꯁꯤ ꯄꯔꯕꯂꯤꯗ ꯑꯗꯨꯒꯤꯃꯕ ꯂꯨꯁꯤ ꯑꯗꯨꯅ ꯍꯝꯄꯆꯔꯤꯕ ꯍꯕꯝ ꯇꯄꯄ ꯍꯝꯔꯤꯕꯗꯨꯒꯤ ꯑꯄꯕ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯑꯌꯔꯕꯗ ꯍꯝꯄ ꯑꯝꯁ ꯑꯂꯤꯒꯤ ꯃꯔꯗ ꯄꯤꯔꯤꯕ ꯌꯔꯍꯒꯤ ꯂꯨꯁꯤ ꯑꯃꯁ ꯃꯅꯨ ꯌꯆꯗ ꯄꯔꯅ ꯇꯒꯅꯤ꯫

꯴꯷ ꯫ ꯂꯤꯆꯃꯤꯂꯤꯅ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯂꯤꯆꯃꯤꯂꯤꯒꯤꯗꯃꯝ (ꯃꯄꯨꯆꯁ) ꯍꯕꯝ ꯇꯔꯂꯤꯆꯄꯆꯕ:

(꯱) ꯗꯨꯈꯆ ꯑꯃ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯇꯔꯂꯝ ꯑꯃꯗ ꯇꯕ ꯂꯤꯆꯃꯤ ꯑꯃꯁꯅ ꯑꯔꯕ ꯑꯔꯅ ꯍ ꯑꯃꯒꯤ ꯅꯁꯤꯂ ꯑꯃ ꯂꯤꯆꯕꯨꯗ ꯄꯤꯗꯅ ꯃꯒꯤ ꯍꯕꯝ ꯇꯔꯂꯤꯆꯕ (ꯁꯝꯄ) ꯔꯌꯔ꯫

(꯴) ꯈꯌꯒꯤꯨꯃꯕꯗ ꯗꯨꯈꯆ ꯅꯆꯁꯌꯒꯤ ꯇꯔꯂꯝ ꯑꯃꯒꯤ ꯂꯤꯆꯃꯤ ꯑꯃꯅ ꯂꯕ—ꯂꯝꯂꯆ (꯱) ꯒꯤ ꯌꯌꯍꯂꯤ ꯑꯂꯤ ꯍꯨꯒꯤꯔꯌꯕꯗꯤ, ꯄꯍꯝꯁꯅ ꯇꯌꯤꯕ ꯔꯨꯆꯂꯨꯃꯍꯗꯨꯒꯤ ꯅꯨꯃꯤꯈꯄꯒꯤꯗꯤ ꯄꯆꯗꯕ ꯃꯁꯃꯒꯤ ꯔꯨꯆꯂꯨꯃꯍ ꯃꯆꯄ ꯔꯔ꯫

꯳꯹ ꯫ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯊꯥꯎꯗꯣꯛꯄꯒꯤ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕ ꯁꯦꯝꯕ:

ꯂꯩꯄꯥꯛ ꯴꯷ ꯗꯥ ꯃꯅꯤꯡ ꯃꯔꯝꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯃꯐꯝ ꯁꯤꯡꯗ ꯃꯔꯝꯗꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯃꯇꯝꯁꯤꯡ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯣꯏꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯏꯅꯕꯗ ꯇꯣꯏꯅꯕ ꯁꯤ ꯍꯣꯠꯅꯕꯁꯤꯡ ꯃꯇꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯤꯡꯂꯕꯁꯤ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯑꯣꯏꯀꯥꯡꯂꯨꯄ ꯀꯥꯡꯕ ꯃꯑꯣꯏꯅꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯊꯥꯎꯗꯣꯛꯄ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕ ꯁꯦꯝꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯌꯥꯏꯔꯦ, ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯃꯇꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕ ꯁꯦꯝꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯁꯤꯀꯥꯡꯂꯕꯗ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯊꯥꯎꯗꯣꯛꯄ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯁꯤ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯃꯇꯝꯂꯣꯏꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯕ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯏꯔꯦ,

ꯑꯃꯁꯨꯡꯗ ꯑꯣꯏꯅꯕꯁꯤꯡ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯊꯥꯎꯗꯣꯛꯄ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯣꯏꯅꯕꯁꯤꯡ ꯃꯔꯝꯗ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ ꯇꯩꯕ ꯌꯥꯏꯔꯕꯗ ꯃꯇꯦꯌꯥꯏꯔꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯄꯁꯤꯡ ꯑꯣꯏꯅꯕꯁꯤꯡ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡꯗ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯁꯤꯡ ꯌꯥꯏꯔꯕꯅ ꯫

[꯳꯹—ꯑ ꯫ ꯁꯦꯟꯊꯣꯛ ꯃꯌ ꯅꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯣꯏ ꯁꯤꯅꯂꯣꯏꯗꯕ:

ꯅꯣꯡꯃꯂꯨꯡꯗꯒꯤ ꯃꯂꯨꯡꯌꯂ ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯷꯶ (꯱꯹꯷꯶ ꯒꯤ ꯇꯤ. ꯱꯷) ꯅ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯥꯁꯇꯕꯂ, ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯂꯣꯏꯅꯕꯂꯣꯏꯒꯤ ꯃꯄꯨꯇꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯗꯨꯁꯤ ꯂꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯥꯡꯕ ꯍꯥꯏꯕ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯇꯣꯀꯥꯡꯕ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕ ꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯁꯤ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯀꯥꯡꯕ ꯂꯩꯒꯤ ꯏꯒꯤꯃꯒꯤ ꯃꯗꯤꯅ ꯁꯦꯟꯊꯣꯛ ꯃꯌ ꯅꯣꯡꯗꯣꯛ ꯀꯥꯡꯕꯅ ꯃꯅ ꯍꯣꯠꯅꯔꯦ ꯫]ꯁ

꯹—ꯂꯣꯏ ꯁꯦꯝꯕ

ꯃꯅꯨꯡ ꯃꯀꯥꯡꯕꯂꯣꯏ

꯴꯰ ꯫ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯣꯠꯅꯒꯤ ꯍꯩꯗꯦꯟ:

(꯱)ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡꯗ ꯃꯇꯝ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕ ꯑꯣꯏꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯣꯏꯗꯤ ꯂꯣꯏꯅꯕꯂꯣꯏꯒꯤ ꯃꯂꯣꯏ, ꯅꯨꯡꯂꯣꯏꯃꯒꯤ ꯍꯩ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯏꯅꯕꯂꯣꯏꯁꯤꯡ ꯌꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯂꯣꯏ ꯁꯤꯡꯂꯕ ꯍꯣꯠꯅꯒꯤ ꯍꯩꯗꯦꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡꯗ ꯌꯥꯏꯔꯕꯁꯤ ꯍꯣꯠꯅꯕꯗ ꯁꯤꯡꯂꯕꯗ ꯃꯇꯝꯅ ꯍꯩꯗꯦꯟꯁꯤꯡ ꯃꯗꯤ ꯇꯣꯏꯗ ꯍꯣꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯇꯨꯡꯏꯗꯤ ꯀ ꯇꯨꯡꯏꯅꯕꯗꯤꯅ ꯍꯏ ꯅꯣꯡꯂꯌꯂꯁꯤ ꯑꯏꯗꯂꯗꯅ ꯀꯥꯡꯕꯁꯤꯡꯗ ꯫

---

꯱ ꯫ ꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯟꯗ ꯔꯦꯚꯦꯅꯨ ꯑꯦꯟꯗ ꯂꯦꯟꯗ ꯔꯤꯐꯣꯔꯃꯁ (ꯑꯦꯃꯦꯟꯗꯃꯦꯟꯠ) ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯷꯶ ꯗ ꯍꯥꯄꯁꯤꯟꯈꯤꯕꯅꯤ ꯫

([illegible]) [illegible] ॥

([illegible]) [illegible] ॥

[illegible] ॥ [illegible]:

([illegible]) [illegible] ॥

([illegible]) [illegible] ॥

[illegible] ॥ [illegible]:

[illegible] ॥

[illegible] ॥

[illegible] ॥ [illegible]:

[illegible] ॥

꯴꯴ ॥ ꯁꯦꯝꯕꯥꯡꯒꯤ ꯄꯤꯕ:

ꯃꯥꯂꯦꯝꯗꯥ ꯑꯃꯨꯡꯕ ꯁꯤꯟꯅꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯥ ꯄꯥꯝꯕꯤꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨ ꯑꯀꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯁꯤꯒꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯄꯒꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯀꯅꯕ ꯁꯨꯅꯕ ꯄꯥꯝꯕꯤꯕ ꯑꯀꯥꯒꯤ ꯀꯅꯥꯁꯤ ꯁꯤꯟꯅꯂꯃꯗꯥ ꯁꯤꯄꯨꯗꯕ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯑꯁꯨꯝꯕ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯊꯕꯛ ꯁꯤꯊꯕ ꯅꯕ ꯑꯀꯁꯤ ꯆꯨꯡ ॥

꯴꯵ ॥ ꯀꯅꯥꯃꯒꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯨꯝ:

ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯁꯤ ꯑꯀꯥ ꯑꯀꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯑꯀꯥꯒꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕ ꯑꯀꯥꯒꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯁꯅꯥꯑꯀꯥ ꯇꯁꯤꯒꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯨꯝ ꯑꯀꯥꯃꯒꯤ ꯑꯁꯨꯝꯕ ꯇꯁꯦꯃ ꯇꯆꯠꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯀꯅꯥ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯃꯥꯃꯊꯑꯦꯕ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯇꯁꯦ ꯇꯆꯠꯅꯕꯒꯤ ꯊꯦꯡꯕꯒꯤ ꯀꯅꯥ ꯆꯠꯕ ꯁꯦꯡꯃ ꯊꯑꯦꯃꯥ ꯀꯊꯥ ꯀꯃꯥꯃ ꯃꯥꯃꯊꯑꯦꯕ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯁꯦꯡꯃ ꯊꯑꯦꯃꯥ ꯀꯊꯥ ꯁꯆꯠꯕ ꯁꯇꯥ ꯑꯀꯥ ꯀꯃꯥꯃꯒꯤ ꯂꯀꯤ ꯇꯂꯦꯃꯒꯤꯃꯥ ꯇꯨꯡꯕ ꯄꯤꯅꯕꯒꯤ ꯑꯀꯅꯕ ꯌꯥꯝꯒꯤ ꯇꯥꯑꯦ ꯆꯠꯂꯦ ॥

꯴꯶ ॥ ꯂꯩꯄꯥꯛꯂꯒꯤ ꯁꯨꯒꯤ ꯁꯤꯕꯁꯨꯕ ꯊꯦꯡꯃ ꯁꯕ ꯂꯝꯒꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ:

ꯂꯨꯝꯕ ꯒꯕꯊꯀꯅꯁꯨꯕ ꯂꯝꯃꯕ ꯍꯧꯔꯀꯄꯒꯤ ꯀꯁꯨ ꯅꯀꯦ ꯂꯩꯄꯥꯛꯇꯦ ꯀꯒꯤ ꯅꯨꯡꯁꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯃꯥ ꯆꯠꯊꯕ ꯂꯩꯄꯥꯛ ꯅꯨꯡꯁꯤꯅꯥ ꯑꯦꯇꯦꯕꯒꯤꯃꯀꯥ ꯁꯨꯒꯤ ꯁꯤꯕꯁꯨꯕ ꯊꯦꯡꯃ ꯁꯕ ꯂꯝꯒꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯀꯥ ꯊꯃꯒꯤ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯃꯁꯤ ꯀꯌꯥꯇꯦ ꯑꯃꯒꯤꯕ ꯂꯩꯄꯥꯛ ꯅꯨꯡꯁꯤꯇꯦ ꯏꯇꯦꯕ ꯅꯨꯡꯂꯀꯒꯤ ꯁꯤꯃ ꯳/꯴ꯒꯤ ꯁꯤꯃ ꯃꯥꯂꯩꯄꯥꯛꯂꯦ ॥

ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯆꯨꯝꯕꯃ ꯂꯝꯄꯥꯛ ꯑꯃꯁꯤ ꯂꯨꯝꯕ ꯒꯕꯊꯀꯅꯁꯨꯕ ꯑꯏꯂꯩꯅꯒ ꯒꯇꯁꯨꯕ ꯆꯁꯤꯏꯄꯥꯛ ꯊꯦꯡꯁꯨꯇꯦ ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯀꯊꯤꯃ ꯁꯃꯕ ꯑꯆꯨꯇꯦ ꯀꯆꯨꯊꯕ ꯑꯃꯒꯤꯕ ꯀꯏꯃꯂꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯑꯃꯒꯤꯕ ꯅꯨꯡꯁꯤꯂꯤ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯃꯂꯤꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛ ꯑꯃꯃꯀꯥ ꯂꯩꯇꯦꯂꯦ, ꯑꯀꯃ

ꯀꯂꯤꯒꯤ ꯀꯅꯁꯨꯊꯑꯦꯃꯥ ꯑꯆꯨꯇꯦ ꯑꯃꯒꯤꯕ ꯆꯁꯤꯏꯄꯥꯛ ꯑꯃꯁꯤ ꯊꯑꯦꯁꯕ ꯏꯁꯕꯃ ꯁꯨꯒꯤ ꯁꯤꯕꯁꯨꯕ ꯊꯦꯡꯃ ꯁꯕ ꯂꯝꯒꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝꯃ ꯊꯃꯁꯕ ꯑꯃꯒꯤꯕ ꯂꯩꯄꯥꯛꯂꯤ ꯑꯃ ꯊ ꯁꯃꯥ ꯏꯁꯕ ꯂꯦ ꯄꯥꯛꯂꯃꯃꯥ ꯊꯃꯕ ꯅꯕ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯇꯨꯃꯥ ꯁꯤꯃꯒꯤꯃ ꯇꯨꯡꯕ ꯁꯤꯄꯥꯛꯂꯒ ꯃꯥꯇꯨꯡꯕ ꯅꯕ ꯁ꯭ꯀꯤꯝꯒꯤ ꯑꯀꯦꯀꯥꯃ ꯑꯆꯨꯇꯦ ꯁꯦꯃꯥ ꯃꯥꯕ ꯅꯥꯂꯦ ॥

꯲꯷ ‖ ꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯁꯣꯝꯕ:

(꯱) ꯁꯔꯀꯥꯔ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯠꯅꯥ ꯑꯣꯐꯤꯁꯤꯌꯦꯜ ꯒꯦꯖꯦꯠꯇꯥ ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯑꯍꯥꯡ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯍꯥꯏꯔꯕ ꯐꯥꯑꯣꯕꯥ ꯐꯤꯔꯤꯡ ꯍꯟꯅꯥ ꯌꯥꯕꯗ ꯑꯣꯢꯕ ꯑꯥꯏꯅꯤꯡ ꯍꯔꯝꯂꯤ ꯑꯂꯤ ꯌꯥꯗꯕꯇꯥꯕꯥ ꯌꯥꯗ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯁꯣꯝꯕ ꯌꯥꯏ ‖

(꯲) ꯑꯅꯥꯗꯨꯕ ꯑꯍꯥꯡ ꯍꯍꯥꯏꯅ ꯌꯥꯏꯅꯕꯗ ꯍꯏꯂꯣꯒꯤ ꯑꯣꯟꯕ ꯌꯥꯗꯤꯒꯤꯋꯥꯔꯤ ꯑꯣꯢꯅ ꯑꯣꯇꯣꯢꯌꯥꯗ ꯌꯥꯗꯕꯍꯥ ꯆꯥꯗꯕꯗ ꯑꯁꯤꯒꯤꯃꯕ ꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯑꯁꯤꯗ ---

(ꯑꯦ) ꯂꯤꯗꯨꯂꯤꯗ ꯊꯣꯟꯍꯥꯏꯌꯥꯗ ꯐꯤꯒꯃꯂꯤꯍ ꯂꯤꯗꯨꯂꯤꯂꯤꯒꯤ ꯅꯨꯃꯂꯨꯃꯋꯍꯤꯒꯤ ꯂꯣꯋ ꯄꯥꯌꯥꯗꯂꯤ,

(ꯕꯤ) ꯁꯦꯛꯁꯟ ꯲꯲ ꯒꯤ ꯁꯕ-ꯁꯦꯛꯁꯟ (꯲) ꯒꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯌꯤꯐ ꯅꯗꯨꯂꯥꯌꯥꯗꯂꯥꯏ ꯑꯦꯐꯤꯂꯦꯕꯒꯤ ꯌꯥꯗꯤꯒꯤꯋꯥꯔꯤ,

(ꯁꯤ) ꯅꯗꯨꯂꯥꯌꯥꯗꯕꯂꯤꯒꯤ ꯂꯥꯌꯥꯂꯤ ꯑꯍꯥꯡ ꯂꯣꯌꯥꯂꯦ ꯲꯲ ꯒꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯌꯨꯃ ꯅꯅꯥꯋ ꯅꯕꯍ ꯌꯥꯕ ꯄꯃꯕ ꯌꯥꯕꯂꯤꯄꯒꯤ ꯁꯤꯄꯥ,

(ꯗꯤ) ꯂꯣꯌꯥꯂꯦ ꯲꯲ ꯒꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯊꯕꯌꯥꯁꯒꯤ ꯇꯊꯌꯥꯅꯕꯕ ꯂꯤꯗꯍꯤ ꯑꯍꯗ ꯍꯂꯗ ꯍꯂꯕ ꯑꯍꯨꯌꯥ ꯃꯗꯗ ꯊꯕꯌꯥꯁ ꯌꯥꯗꯗꯕ ꯇꯗꯊꯌꯥꯌꯕꯍ ꯅꯨꯍ ꯌꯗꯕ ꯍꯑꯄ,

(ꯏ) ꯂꯣꯌꯥꯂꯦ ꯲꯰ ꯒꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯌꯃꯒꯤ ꯌꯕꯋ ꯊꯒꯤꯆꯗꯕꯒꯤ ꯍꯌꯄ,

(ꯑꯦꯐ) ꯂꯣꯌꯥꯂꯦ ꯲꯱ ꯒꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯍꯨꯄꯗ ꯑꯍꯒꯤ ꯗꯆꯁꯕꯒꯤ ꯇꯅꯂꯄ ꯑꯍꯒꯤ ꯂꯤꯗꯨꯗ ꯊꯍꯒꯍꯕ ꯕꯇꯤꯂꯁꯕꯂꯤ ꯑꯍꯥꯡ ꯑꯁꯌꯥꯌꯥꯗ ꯌꯥꯕꯍꯗ ꯌꯥꯗꯕ ꯍꯕ ꯌꯣ-ꯌꯂꯤ ꯑꯍꯥꯡ ꯁꯆꯄꯍꯕ ꯗꯁꯤꯂꯂꯤ ꯑꯍꯥꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤꯃꯕ ꯗꯁꯤꯂꯂꯤꯅꯨ ꯁꯆꯄꯍꯕ ꯍꯌꯄ,

(ꯖꯤ) ꯍꯨꯄꯗꯂꯤ ꯑꯍꯥꯡ ꯇꯅꯂꯄꯂꯤꯍ ꯊꯌꯥꯌ ꯗ ꯍꯣꯌꯥꯁꯗꯕꯒꯤ ꯐꯤꯒꯃ ꯐꯒꯆꯊꯗꯗꯕ ꯌꯥꯗꯃꯕ, ꯗꯤꯊꯗ ꯌꯣꯌꯥꯂꯤꯗꯗ ꯊꯃꯗꯕ ꯑꯍꯥꯡ ꯗꯂꯤꯆ ꯗꯂ ꯍꯁꯤꯌꯥꯌꯗ ꯐꯊꯗꯗꯕ ꯁꯕꯒꯤ ꯍꯁ,

(ꯑꯦꯆ) ꯂꯣꯌꯥꯂꯦ ꯲꯹ ꯄꯤ ꯍꯅꯥꯍ ꯍꯨꯄꯗ ꯑꯍ ꯗꯆꯁꯕꯒꯤ ꯇꯅꯂꯄ ꯑꯍꯍ ꯇꯕ ꯂꯤꯗꯨꯂꯤꯒꯤ ꯁꯨꯒꯤ ꯌꯆꯁꯗꯕ ꯊꯕꯄ ꯁꯕ ꯂꯣꯋꯒꯤ ꯌꯥꯨꯌꯥꯄ,

[illegible]

꯳꯸ ॥ ꯂꯩꯁꯥꯂꯣꯏꯕꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯀꯣꯔꯠꯁ ꯑꯦꯛꯠ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕꯥ:

ꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯀꯣꯔꯠꯁ ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯴꯷ (꯱꯹꯴꯷ ꯒꯤ ꯷ ꯅꯨꯃꯤꯠ) ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯒꯤ ꯑꯦꯛꯇ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯂꯣꯏꯁꯤꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯠꯅꯕ ꯃꯇꯥꯡꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕ ꯌꯥꯅꯕ ꯑꯦꯛꯇꯁꯤꯡ ꯂꯩꯁꯦꯟꯈꯤ ॥

꯳꯹ ॥ ꯄꯤꯅꯦꯜ ꯀꯣꯗ ꯑꯦꯛꯠ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕꯥ:

ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕꯥ ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤꯡ ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯗ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕ ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯥ ꯄꯨꯔꯀꯄ ꯃꯇꯝ ꯁꯤꯡꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯛꯇ ꯃꯍꯣꯠꯅꯗ ꯗꯤ ꯄꯤꯅꯦꯜ ꯀꯣꯗ ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯴꯸ (꯱꯹꯴꯸ ꯒꯤ ꯱꯹ ꯅꯨꯃꯤꯠ) ꯂꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛ ꯑꯣꯏꯕ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕ ꯌꯥꯍꯟꯈꯤ ॥

꯴꯰ ॥ ꯀꯣꯔꯠꯇꯒꯤ ꯃꯍꯩ ꯌꯥꯕ ꯍꯥꯏꯀꯣꯔꯠꯀꯤ ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯥ ꯇꯥꯀꯄꯤꯕꯥ:

ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯁꯤ ꯀꯔꯤꯒꯤ ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯗꯤ ꯖꯨꯗꯤꯁꯤꯌꯦꯜ ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯴꯹ (꯱꯹꯴꯹ ꯒꯤ ꯹꯹ ꯅꯨꯃꯤꯠ) ꯗꯥ ꯇꯥꯀꯄꯤꯕ ꯀꯣꯔꯠꯇ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯍꯩ ꯌꯥꯕ ꯀꯣꯔꯠꯇꯒꯤ ꯍꯥꯏꯀꯣꯔꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯁꯦꯟꯅꯕ ꯁꯥꯔꯗ ꯇꯥꯛꯂꯤ ॥

꯴꯱ ॥ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯥꯔꯗ:

(꯱) ꯗꯤ ꯑꯁꯥꯝ ꯂꯦꯟꯗ ꯑꯦꯟꯗ ꯔꯦꯚꯦꯅ꯭ꯌꯨ ꯔꯦꯒꯨꯂꯦꯁꯟ ꯑꯦꯛꯠ, ꯱꯹꯴꯹ (꯱꯹꯴꯹ ꯒꯤ ꯑꯁꯥꯝ ꯑꯦꯛꯠ ꯱꯸ ꯅꯝꯕꯔ) ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯄꯨꯔꯀꯄꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯔꯤꯗ ꯀꯥꯈꯤ ॥

(꯸) ꯀꯥꯔꯁꯤꯡꯗ ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯅꯤꯡ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕ ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤꯡꯗ ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯆꯨꯝꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ (ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯠ, ꯁꯦꯁꯟ, ꯃꯨꯟꯁꯤꯐ, ꯃꯦꯖꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯁꯤꯁ꯭ꯇꯦꯟꯠ ꯖꯖ ꯁꯥꯔꯗ) ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯄꯨꯔꯀꯄꯒꯤ ꯍꯨꯔꯥꯟꯕꯒꯤ ꯖꯨꯔꯤꯁꯗꯤꯛꯁꯟ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯦꯛꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡꯒꯤ ꯃꯊꯛ ꯑꯣꯏꯕ ꯀꯣꯔꯠꯁꯤꯡꯒꯤ ꯊꯥꯛꯇꯥ ꯂꯩꯁꯦꯟꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯩꯔꯝꯂꯤ ꯍꯥꯏꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅ ꯇꯥꯀꯄꯤꯔꯤ ॥

0- 0--0-

দি মনিপুর

শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্ট রুলস, ১৯৭৩

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

সোইবম লৈকাই, খঙলাবুঙ লৈরক, ইম্ফাল।



এলঃ দিঃ এমঃ আর্টস সেন্টর, ইম্ফাল

THE MANIPUR SHOPS AND ESTABLISHMENTS RULES, 1973

(In Meeteilon and English)

By : **Moirangthem Rajendra**

Statement as required by the proviso to clause (r) of Sub-section (1) of Section 52 of the Copyright Act, 1957:

I do hereby state that this translation has not been authorised or accepted as authentic by the Government.

Moirangthem Rajendra

অহানবা ফোঙবা ঃ নভেম্বর, ২০০০

কোপী মশিংঙ ঃ ১০০০ (চমঙা)


ফোঙজবী ঃ মোইরাংথেম ওঙবী ইবেচানা এলঃ দিঃ এমঃ আর্টস সেন্টরগীদমক ফোঙজবা।

মমল ঃ লুপা : [illegible]/-

To be had of :

MOIRANGTHEM RAJENDRA
Soibam Leikai Khanglabung Leirak
Tele. No. : 440088

নম্ফম ঃ লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল।



লৈখিদ্রবা ঐগী ইয়াম্বা অহল ꠸মোইরাংথেম আনন্দ

(ইং ১২/১০/১৯২১—৬/৭/১৯৯৯) গী

খুয়া খাদা কৎচরী

কৎচরিবা ঃ

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র

অফোঙবগী মায়কৈদগী

করিগুম্বা লৈবাক অমদা চৎনরিবা আইনশিং অসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিঙনা — লাইরিক হৈবা হৈতবা থিদনা অদুগুম্বা আইনশিং অদু খঙলবসু খঙদ্রবসু — খঙই হায়না লৌগনী হায়না আইন্না হায়রি। অদুবু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা হায়বদি ভারত পুম্বদা ফংইবা আইনগী লাইরিকশিং অসি অয়াম্বনা ইংলিশতা ইবনী। অদুমকপু ভারতকী ষ্টেট কয়াদা লৈরিবা মীশিংনা মাগী মাগী মরোলশিংদা ৱাহন্থোক তৌদুনা মাগী মাগী মীয়ামবু চৎনরিবা আইনশিং খঙহন্নবা লনাই মীওইশিং অমদি লুপশিং না হোৎনরি। ঐখোয়গী মনিপুর অসিদসু মমাঙদা মীওই খরনা এক্ট অমা অনী মীতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা ফোঙবিরম্বসু থেংনরে। মদু অফবা থবক অমনী হায়না খঞ্জবগা লোয়ননা এল. দি. এম. আর্টস সেন্টরনা শৈরেং, ৱারী মচা, নোভেল অমদি দ্রামানচিংবা ফোঙজদুনা মীয়ামগী সেবা তৌজরকপনী। অদুবু হীরম অসিদদি সেন্টর অসিনা থবক ইতৌ তৌরকখিদবদুদা অৱাৎপা অসি মেনখৎপা খরগী মখৈদি ঙমগদরা হায়বগী ৱাখলদা সাং সোইবম লৈকাই খঙলাবুঙ লৈরক্তা লৈবা থাঙ্গৈশেংনা এদভোকেট ওইনা ৱায়েলশংঙনচিংবদা লেপ্পা খোৎপবুদি তৌদ্রবসু রেজিষ্টার তৌদুনা এদভোকেটতি ওইরবা **শ্রীমৈহিৱাংথেম রাজেন্দ্র**-দা হায়জরুবদগী য়াবিরক্তুনা মমাঙদা লাইরিক ওইনা মঙা অমসু ফোঙখ্রবা মতুংদা তরুকশুবা অসিমসু ফোঙজরি। মখা তাবসু ফোঙজরকখিগনী। ফগৎনবা পাউতাক পীবিরকপদা তরাম্না লৌজগনী।

মুতুৱা তোম্বা

সেক্রেটরী

এল. দি. এম. আর্টস সেন্টর, ইম্ফাল।

দি মনিপুর
শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস রুলস, ১৯৭৩

মীতৈলোনগী শরুক

য়াউরিবশিং

৪বা তাংকক

মখল মথেল

(English Section)

The Manipur Shops and Establishments Rules, 1973

(As amended upto date)

Contents

দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস রুলস, ১৯৭৩

১। **অতেনবা মিং ঃ** রুলশিং অসি দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস রুলস, ১৯৭৩ কৌবা য়াই (কৌই)।

২। **ৱাহন্থোকশিং ঃ** রুলশিং অসিদা করিগুম্বা হীরমদা নত্রগা ৱাহৈগী তুং মাঙদা লৈরিবা ৱাহৈশিংগী মরীদা নাতে চানদবা লৈত্রবদি ঃ

(এ) "এক্ট " হায়বসি দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস এক্ট, ১৯৭২ (১৯৭৩ গী এক্ট নং ৪) হায়বনী;

(বি) "ফোর্ম" হায়বসি রুলশিং অসিদা হাপচিল্লবা (তপশিল্লবা) ফোর্ম অমবুনি;

(সি) "গবর্নমেন্ট" হায়বদি মনিপুর গবর্নমেন্ট হায়বনী;

(দি) "সেক্সন" হায়বদি এক্ট অদুগী সেক্সন অমবুনী; অমদি

[(ই) "সিদুল" হায়বদি রুলশিং অসিদা হাপচিল্লবা (তপশিল্লবা) সিদুলবুনী।

[২-এ। **দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিং রেজিষ্টার তৌবা ঃ** (১) হৌজিকমক লৈরিবা দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগীদমক্তদি রুলশিং অসি চৎনবা হৌখিবদগী নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা অদুগা অনৌবা দুকানশিং নত্রগা লোয়শঙশিংগীনা ললোন ইতীক (কারবার) তৌবা হৌবগী নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা, দুকান নত্রগা লোয়শঙ খুদিঙগী শীনবুদুনা রেজিষ্টারিং ওফিসারদা নত্রগা মানা অয়াবা পীরবা (রেজিষ্টার তৌবা য়াই হায়না শিন্নরবা) ওফিসার অদুদা এক্ট অসিগী মখাদা রেজিষ্টার তৌনবা ফোর্ম ৯ শুবদা কোপী অনীদা পথাপশিং অসিগী সিদুল- ১বদা পীরিবা পীফম থোকপা শেন্‌ফম অদু থমখিবগী ট্রেজরি চলানগা লোয়ননা দরখাস্ত থাগনী।

(২) সব-রুল (১) গী মখাদা অচঙবা ফীগা লোয়নরবা দরখাস্ত অদু ফংলবদা,

রেজিষ্টারিং ওফিসার অদুনা দরখাষ্ট অদুদা থাগৎলকপা অকুপ্পা মরোলশিং অদুগী অচুম্বদুদা পেল্লবদি দুকান্দুবু ওইরবসু লোয়শঙদুবু ওইরবসু রেজিষ্টার তৌগনী অদুগা ফোর্ম ৯ শুবগী ২ শুবা শরুক্তা রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেট পীগনী।

২-বি। **দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগী রেজিষ্টারশিং ঃ** রেজিষ্টারিং ওফিসারনা দুকানশিংগা লোয়শঙশিংগগী রেজিষ্টার অমা ফোর্ম ১০ শুবদা থমগনী। দুকানশিংগা লোয়শঙশিংগগী রেজিষ্টার অদুদা মখাদা লৈরিবসিগুম্না শরুক অহুম লৈগনী ঃ—

১বা শরুক .... দুকানসিং

২বা শরুক .... ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং

৩বা শরুক .... লীলা শঙশিং, সিনেমাশিং অমদি অতোপ্পা মীয়াম্বু পীজপীথক অমদি হরাউ তয়াম্বা পীবা মফমশিং।

২-সি। **হোংবগী নোটিশ ঃ** এক্টকী সেক্সন ৫- বি গী সব-সেক্সন (৫) গী মখাদা হোংবগী নোটিশ অমসি ১১ শুবা ফোর্মদা তৌগনী। অদুগা অসিগুম্বা নোটিশ খুদিঙমক ২ বা সিদুলদা পীরিবা ফীদু পীরে হায়দুনা উৎপা ট্রেজরি রিসিট অমগা লোয়ননা চৎনরিবা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটকা লোয়নগদবনী।

২-দি। **রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট নৌথোকহনবা ঃ** (১) এক্টকী সেক্সন ৫-বি গী সব-সেক্সন (২) গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট নৌথোকহন্নবা দরখাষ্ট অসি ১২ শুবা ফোর্মদা থাগনী অদুগা রুল ২-এ গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা দরখাশষ্ট থাবদা চঙবা অদুগুম্বা ফীদুগা লোয়নগদবনী।

(২) সব-রুল (১) গী মখাদা নৌথোকহন্নবা দরখাষ্ট অমদি চঙফম থোকপা ফীদু ফংলবা মতমদা রেজিষ্টরিং ওফিসারনা থাগৎলক্লিবা পাউশিংদুগী অচুম্বদুদা থাজরবদা দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগী রেজিষ্টারদুগী চান-চানবা মফমদুদা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেত্তা ইশিনগনী অদুগা দরখাষ্ট থারকইবা মীশক্তুদা সার্টিফিকেট অদু হনখিগনি। অদুবু রেজিষ্টারিং ওফিসারনা মদু তৌফম থোকই হায়না খল্লবদি চৎনরিবা সার্টিফিকেট অদুদা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা নৌথোকহনবগী মহুত্তা অনৌবা সার্টিফিকেট অমা পীবা য়াই।

২-ই। **থবক তৌবা তোকপগী নোর্টিশ ঃ** এক্টকী সেক্সন ৫-বিগী সব-সেক্সন (৬) কী মখাদা দুকান অমা নত্রগা লোয়শঙ অমা থবক তৌবা তোকপগী নোটিশ অসি ১৩ শুবা ফোর্মদা পীগনী অদুগা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট অদু লোয়নগনী।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ দুকান অমনা নত্রগা লোয়শঙ অমনা লীশাং শীৎনা থা

৬ (তরুক) নত্রগা মদুদগী হেন্না লোন্দুনা লৈরবদি রুল অসিগীদমক্তা ওইনা থবক লেপ্পগী থৌদোক অমনী হায়না লৌগনী।

২-এফ। রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট মাঙবা ঃ রুল ২-এ গী সব-রুল (২) গী মখাদা পীখিবা রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট অমা মাঙখ্রবা নত্রগা শেগায়-খোৎকায় থোক্লবা নত্রগা য়েকশিন খোৎচিন তৌদুনা ফীভম কায়বা থোক্লবদি, ৱাফম অদুগী পাউদু সার্টিফিকেট অদু পীরকখিবা রেজিষ্টারিং ওফিসারদুদা থীহ্নদনা পীগনী অদুগা ১ বা সিদুলদা পল্লিবা ফীদু পীরে হায়বা উৎপা ট্রেজরি রিসিট অমগা লোয়ননা ১৪ শুবা ফোর্মদা মুক অঙাঙবনা মথক্তা "দুপ্লিকেট" হায়না থাবা মান্নবা (কোপী) অমা পীনবা দরখাষ্ট থাগনী।

২-জি। রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট অতোপ্পদা পীথোকপা ঃ (১) রুলশিং অসিগী মখাদা পীবা সার্টিফিকেৎ অমত্তা অতোপ্পদা পীথোকপা য়াদে, নত্রগা দুকান নত্রগা লোয়শঙ অমগী মপু ওইবা অদু অতোপ্পদা শিন্নথোকখ্রবদি, শীনবু অদুনা অদুম্না শিন্নখিবগী নুমিৎ ১৫ নীগী মনুংদা দুকান নত্রগা লোয়শঙদুগী রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেট অদু থাদোক্কনী অদুগা মহাক মশানা সহী তৌদুনা মানা শিন্নখিবা মীদুগী মমিংগা লৈফমগা পীদুনা রেজিষ্টারিং ওফিসারদুদা মাগী ৱারোল অমা থাগৎকনী।

(২) শিন্নথোকপগী মরী লৈনবা পাউ অদুগী অচুম্বদুদা থাজরবদা, রেজিষ্টারিং ওফিসারনা রেজিষ্ট্রেসনগী সার্টিফিকেট অদু ককথৎকনী অদুগা মদুগী মতুং ইন্না দুকানশিংগা লোয়শঙশিংগগী রেজিষ্টার অদু শেমদোক্কনী।

(৩) শিন্নফম ওইরিবা মীশক অদুনা শিন্নবগী তারিখ অদুদগী নুমিৎ কুষ্থানিগী মনুংদা রুল ২ দা পীরিবা ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না অনৌবা সার্টিফিকেট অমা পীবিনবা দরখাষ্ট থাগনী।

২-ঐচ। ফী পীবা অমদি থিজিন হুমজিনবা ঃ (১) রুলশিং অসিগী মখাদা পীফম থোকপা ফী পুম্নমক লেবর অমদি এমপ্লোইমেন্টকী হেদ ওফ একাউন্টতা মফম অদুগী ট্রেজরিদা পীগনী।

(২) দরখাষ্ট নত্রগা নোটিশ অমদা পীরকপা করিগুম্বা পাউ অমগী অচুম্বদা মা মশানা থাজনবগীদমক রেজিষ্টারিং ওফিসার অদুনা অদুগুম্বা মওঙদা থিজিনবগী তঙায়ফদে হায়না খনবা, তৌফম থোকই নীংবা মওঙদুদা থিজিন হুমজিন তৌগনী।][1]

১। রুল ২-এ দগী ২-ঐচ ফাউবসি দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ১৯৯৬ না হাপচিল্লকপনী।

৩। খুৎশুমলগী রেজিষ্টার ঃ দুকান্দার নত্রগা শীনবু খুদিঙনা ১ বা ফোর্মদা রেজিষ্টার অমা থমগনী।

৪। খুৎশুমলদগী ককপা ঃ (১) মখাদা পীরিবশিংসিগুম্বগী নত্তনা শীনবু অমত্তনা শিন্মী অমগী খুৎশুমলদগী কক্লোইদবনী —

(এ) ৱাকোংশেলশিং;

(বি) মথৌ তৌনবা কারক্তবগী ককপা;

(সি) মঙোন্দা তশেংনা থন্নবা শিন্নবা পোৎচৈদা অতেক অকায় থোকপা নত্রগা মাঙবা খোৎপগী, নত্রগা মহাক্না হীসাব তৌফম থোকপা শেল মাঙবা, অদুগা অদুগুম্বা অতেক অকায় নত্রগা অমাঙবদু মাগী থৌশাদবা নত্রগা অশোইবনা মরম ওইরদুনা থোকপদগী ককপা;

(দি) শীনবুনা লৈনবা য়ুম পীবগীদমক ককপা;

(ই) গবর্নমেন্টনা ময়ামগী ওইবা নত্রগা অখন্নবা য়াথং অমনা অয়াবা পীরবা অদুগুম্বা নুঙাইনবা থৌরমশিং অমদি থবকশিং পীবগী ককপশিং।

শন্দোকপা ৱারোল ঃ থবক তৌনবগীদমক্তা চঙবা খুৎশু খুৎলাইশিং অমদি শীজিন্নদ্রিবা পোৎচাকশিংসি "থবকশিং" হায়বা ৱাহৈ অসিগী মনুং চন্দে।

(এফ) মাঙজৌননা পীখিবা শেল নত্রগা খুৎশুমল হেন্না পীখিবগী হঞ্জিনহন্নবা ককপশিং;

(জি) শিন্মীদুনা পীফম থোকপা ইনকম টেক্সকীদমক ককথৎপশিং;

(ঐচ) কোর্ট অমগী য়াথংনা নত্রগা অদুগুম্বা য়াথং অদু পীবা ঙম্বা অতোপ্পা অঙম্বা অমনা থোকপা য়াথং অমনা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা ককপশিং;

(আই) প্রোভিদেন্ট ফন্দস এক্ট, ১৯২৫ (১৯২৫ গী ১৯ শুবা) চলাইবা নত্রগা ইন্দিয়ান ইনকম টেক্স এক্ট, ১৯২২ (১৯২২ গী ১১শুবা) গী সেক্সন ৫৮-এ না পীবা ৱাহম্থোক্না শকখঙলবা পুক্কে নত্রগা ষ্টেট গবর্নমেন্টনা মসিগী মরীদা অয়াবা পীরবা তুংগী ফনবা থৌরাঙ তৌবা পুক্কে অমদা শেনখায় পীনবা অমদি তুংগী ফনবা থৌরাঙ তৌবা শেলগী পুক্কৈদা মাঙজৌননা লৌরুবা শেল শিংগৎনবা ককপশিং;

(জে) গবর্নমেন্টনা অয়াবা পীরবা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিশিংদা নত্রগা গবর্নমেন্টনা অয়াবা পীরবা ইন্সুরেন্সকী থৌশীল থৌরাঙ অমদা পীনবা ককপশিং;

(কে) শীজিন্ননঙাই ওইবা মফমদা শেল ফংলে হায়বগী খুদম ওইনা পীবা চেশিংদা নপফম থোকপা রেভিনিউ স্তাম্পশিংগীদমক্তা ককপশিং:

(এল) শিন্মীগী ইরবা অয়াবগা লোয়ননা গবর্নমেন্টনা অয়াবা পীরবা শেল তুঙশিনবগী থৌশীল থৌরাঙগীদমক ককপশিং;

(এম) চিফ ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা মাঙজৌননা য়াথ্রবা থবক শুবগী পুঙশিং মনুংদা অথোংবা চীঞ্জাক নত্রগা হকচাং তেকখৎনবা অচাপোৎনচিংবা হুন্নবগীদমক ককপশিং;

শন্দোকপা ৱারোল ঃ রুলশিং অসিগী মরমশিংগীদমক শিন্মীনা শীনবুদা নত্রগা মাগী মীহুত্তুদা পীবা খুদিঙমক খুৎশুমলদগী ককপশিংনী হায়না লৌগনী।

(২) মঙোন্দা অমাঙ অতা নত্রগা অমাঙবা থোকহনবগীদমক্তা ৱাকোংশেল পীহন্নিংলবা নত্রগা (খুৎশুমলদগী) ককপা পাম্লবা শীনবু অমনা মশামক্লা অমদি ইদুনা ৱাকোংশেল পীহন্নবা নত্রগা কক্লবা ৱাফম থাংগৎলিবদুগী মরী ওইরিবা তৌখিবা থবক নত্রগা তৌফমথোকপা তৌহৌদবা অদু মশামক্লা অমদি অইরা ওইনসু মঙোন্দা (শিন্মীদুনা) শন্দোক্লা তাক্কনী অদুগা অতোপ্পা মীশক অমগী মমাঙদা শন্দোক্লা হায়নবগী খুদোংচাবা অমা পীগনী। ৱাকোংশেল নত্রগা কক্কদৌরিবদুগী শেনফমদুসু অইবা ওইনা মঙোন্দা তাক্কনী।

(৩) শিন্মী অমদা খুৎশুমল পীবগী মতমগী তাংকক অমগী মনুংদা ৱাকোংশেল পীহনগদবগী অপুনবা শেনফম অসি খুৎশুমল পীবগী মতমগী তাংকক অদুগী মঙোন্দা পীগদবা খুৎশুমল অদুগী লুপা অমদা পৈশা তরাদগী হেল্লোইদবনী।

(৪) অঙাং অমদা ৱাকোংশেল অমত্তা পীহল্লোইদবনী।

(৫) লৌখৎলবা ৱাকোংশেল খুদিংমক চিফ ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা য়ারবা লোয়শঙ অদুদা থবক তৌবা মীশকশিংগী ফননবা তৌবা অদুগুম্বা মরমশিংদদমক চাদিং তৌগনী।

(৬) সব-রুল (১) গী ক্লোজ (সি) গী মখাদা ককপা অসি শিন্মী অদুগী থৌশাদবা নত্রগা অশোয়বদুনা থোকহনখিবা অমাঙ অতা নত্রগা অমাঙবা অদুগী শেন্‌ফমদগী হেল্লোইদবনী।

(৭) -(এ) মহাক্লা থবক তৌবগী য়ানখ্রবা ফীভমদুনা থবক তৌফম থোক্লবা মতমদুগী মপূম নত্রগা মচেৎ অদুগী মনুংদা মহাক্লা থবক শুফম থোকপা মফম নত্রগা

মফমশিংদা শিন্মী অমনা কারক্তবখক্কীদমক সব-রুল (১) গী ক্লোজ (বি) গী মখাদা (খুৎশুমলদগী) ককপশিংসি য়াই।

(বি) থবক তৌনবগী য়ানখিবা ৱাফমগী মতুং ইন্না খুৎশুমল পীনবা মতমগী তাংকক মনুংদা থবক শুফম থোক্লা থোক্লা কাদবগী অদুগুম্বা ককপগী শেনফমদুগী চাংনা শেল ককইবা মতমদুগী খুৎশুমল পীনবা মতমগী ওইনা পীগদবা খুশুমলদুদগী কৈদৌঙেদসু হেলহল্লোইদবনী।

(৮) লৈনবা য়ুম পীবা, নুংঙাইনবা থৌরমশিং নত্রগা থবকশিং মাগী থবক তৌবগী য়ানবা ফীভম নত্রগা অতোপ্পা অমা ওইনা পীবদু মানা য়াদ্রবদি সব-রুল (১) গী ক্লোজ (দি) নত্রগা (ই) গী মখাদা শিন্মী অমগী খুৎশুমলদগী ককপা তৌরোই অদুগা অসিগুম্না ককপা অসি লৈনবা য়ুম, নুংঙাইনবা থৌরম নত্রগা থবক পীরবশিংদুগী মমলগা চানবা শেনফমদগী হেল্লোইদবনী অদুগা ক্লোজ (সি) গী মখাদা ককপগী মতাংদনা গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা থম্বা অদুগুম্বা ফীভমশিংদুগী মখা পোনগনী।

(৯) সব-রুল (১) গী ক্লোজ (জে) গী মখাদা ককপশিংসি গবর্নমেন্টনা থোকপা অদুগুম্বা য়াথংদুগী মখা পোনগনী।

৫। ৱাকোংশেল অমদি ককপশিংগী রেজিষ্টার ঃ দুকান্দার নত্রগা শীনবু খুদিঙনা শিন্মীগী খুৎশুমলদগী খোমগৎপ: ৱাকোংশেল অমদি অককপশিংগী শেনফমদু ২ শুবা ফোর্মদা লেঙদবা মওঙদা চনশিন্দুনা থমগনী।

৬। অরানবা শাজৎ ওইহনবা থবকশিং ঃ এক্টকী সেক্সন ২৭ গী সব-সেক্সন (১) গী অনীশুবা ঙমখৈ তাকপা ৱাফমগী মরমশিংগীদমক্তা মখাগী থবক খুদিঙমক অরানবা শাজৎনী হায়না লৌগনী।

(এ) মথকথোংবগী আইন্না য়াবা অমদি মরমচাবা য়াথংদু মতোমতনবু ওইরবসু নত্রগা অতোপ্পশিংগা পুন্নবু ওইরবসু তৌগে হায়বা অমা য়াউনা লমহেন্দুনা হায়ন তান্নবা য়াদবা মওংদা ইন্দবা;

(বি) শীনবুগী মরল মথুমদা লমহেন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহনবা নত্রগা মাঙহনবা;

(সি) ৱানোমশেল নত্রগা আইন্না য়াদবা মওঙদা শেল লৌবা নত্রগা পীবগী থবক;

(দি) শীনবুগী কারবার নত্রগা মপোৎ মচৈগী মরীদা হুরানবা, নমথাক তৌবা নত্রগা পুকচেল শেংদবা;

(হ্) অয়াবা য়াউদনা কাদবগী হৈনবী নত্রগা অয়াবা য়াউদনা নুমিৎ তরানিদগী হেন্না কাদবা;

(এফ) লোয়শঙ অদুদা শীজিন্নবা আইন অমবু হৈনবী অমা ওইনা থুগায়বা;

(জি) হৈনবী অমা ওইনা থেঙনা কাবা;

(ঐচ) লোয়শঙদুদা থবক শুনবগী পুঙশিংগী মনুংদা চরাংনবা থোকহনবা নত্রগা কাংখোং চাইহন্নবগী শাজৎ চৎপা নত্রগা থকশি খাশিদা মাঙ তাক্লবা তৌবা;

(আই) হৈনবী ওইনা নত্রগা শাথীনা থৌশাদবা নত্রগা থবক থৌশাদবা;

(জে) আইন অমগী নত্রগা আইনগী পাঙ্গল লৈরবা রুলগী ৱারোলশিং থুগায়দুনা থবক লেপ্পা নত্রগা অতৈশিংবু থবক লেপ্নবা ইনশিনবা;

(কে) লোয়শঙদুদা চলাইবা শাংনা চৎনগদবা দি ইন্দষ্ট্রিয়েল এমপ্লোইমেন্ট (স্তেন্দিং ওর্দরস) এক্ট, ১৯৪৬ কী মখাদা য়ারবনী হায়ববা য়াথংশিংগী ৱারোলশিং থুগায়বা;

(২) মরী লৈনবা শিন্মী অদুদা ইদুনা মানা তৌই হায়রিবা অকায়বা শাজৎ অদুগী মরমদা মঙোন্দা পাউ পীদনা অমদি মা মশানা মশাবু কঞ্জনবা অমদি মাগী মায়োক্তা হায়রিবশিংদুগী ফীভমশিং অদুগী শেংদোক্লবা খুদোংচাবা অমা পীদনা কনাগুম্বা শিন্মী অমবু থবক্তগী লৌথোকপা য়াদে।

৭। সেক্সন ২৭ কী মখাদা থবক লৌথোকপগী য়াথংগী মায়োক্তা ৱাকৎ ঃ

(১) সেক্সন ২৭ কী মখাদা থবক্তগী লৌথোকপিখ্রবা শিন্মী অমনা মা মশানা নত্রগা রেজিষ্টার তৌরবা ট্রেদ ইউনিয়ন অমগী ওফিসার অমগী মতেংনা ইন্দষ্ট্রিয়েল দিস্পুতস এক্ট, ১৯৪৭ (১৯৪৭ কী ১৪) গী মখাদা লিংখৎখিবা লেবর কৌর্ট অমদা নত্রগা গবর্নমেন্টনা ওফিসিয়েল গেজেত্তা নোটিফিকেসন থোক্তুনা মসিগী মরীদা অয়াবা পীরবা ওফিসার অমদা অইবা ওইনা ৱাকৎ অমা থাংগৎপা য়াই। অদুগুম্বা কোর্ট নত্রগা ওফিসার অদুনা ৱাকৎ অদু লৌগনী অদুগা সব-রুল (৫) দগী (৯) ফাউবদা পীরিবা মওঙ অদুদা মদু তাগনী।

(২) মখাগী য়ুম্ফমশিং অসিগী মনুংদা অমদা নত্রগা অমদগী হেনবদা থবক্তগী লৌথোকপগী য়াথং অদু ফংবগী নুমিৎ ৩০ গী মনুংদা অদুগুম্বা ৱাকৎ অদু থাংগৎকনী, হায়বদি —

(i) মাবু মাগী থবক্তগী লৌথোকপগী নাতৈচাবা মরম লৈখিদ্রবা;

(ii) সেক্সন ২৭ কী সব-সেক্সন (১) গী ক্লোজ (এ) গী মখাদা থারকফম থোকপা নোটিশ অমত্তা থারকখিদবা; নত্রগা

(iii) শীনবু অদুনা লৌরিবদুগুম্না মহাক্লা রুল ৬ কী মখাদা অরানবা শাজৎ চৎখিবগী মরাল অমত্তা লৈখিদ্রবা;

(৩) ৱাকৎ অদু শম্না মদুগী মায়োক্তা ৱাকৎ থাংগৎলিবা য়াথং অদুবু ৱায়েৎ পীবগী য়ুম্ফমশিং অদু নীংশিংগদবা মওঙদা অনীশুনা শেমগদবনী। হায়রিবা নীংশিংগদবা মওঙদা শেম্নবা অইবদুদা য়াউরিবশিং অদু ৱাকৎকী দরখাস্ত থারিবদুগী লৌশিং অমদি থাজবগী মনুংদা চুল্লে অদুগা অসিগুম্বা ৱাকৎ অমত্তা কনাগুম্বা অতোপ্পা অঙম্বা অমত্তদা মমাঙদা থাঙ্গত্তুনা (ৱায়েন্নবা) তাখিবা লৈতে হায়দুনা অহানবা থাক্কী মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা ৱাশক্তুনা ইখ্রবা ৱাশকচে অমগা লোয়নগনী।

(৪) অসিগুম্বা থাজনবা মওঙদা শেমদুনা ইখিবা চে খুদিঙমক লুপা ৫.০০ পৈ: গী কোর্ট ফীগী ষ্টামপ নপকাদবনী।

অদুবু অঙম্বদুনা দরখাস্ত থারিবা মীদুগী লাইরবগী মতৌ অদুগীদমক খনবিদুনা ফী অসি হন্থবা নত্রগা কোকপীবা য়াই।

(৫) ৱাকৎ অদু লৌরিবা অঙম্বা অদুনা লেপ্পবা তারিখ অদুদা লৈরবদি মরী লৈনবা থাজনবা প্রমান ওইবা য়াবা চে-চাংশিং অমদি শাক্ষিশিংগা লোয়ননা কক্তুনা পীখ্রবা মতম অমদি মফমদুদা শীনবুদুবু মশামক ওইরবসু নত্রগা মাগী মীহুৎনবু ওইরবসু কারক্লবা নোটিশ থাদুনা কৌখৎকনী অদুগা ৱাকৎপা মীদুসু হায়খ্রবা কেশ অদুগী (ৱায়েন্নবা) তাগদৌরিবদুগী হায়খ্রবা তারিখ, মতম অমদি মফমদুগী পাউ পীগনী।

(৬) শীনবুদুনা নত্রগা মাগী মহুত্তুনা লেপখ্রবা তারিখতুদা, পীখ্রবা মতম অমদি মফমদুদা কারকপা শোয়রবদি, অইবা ওইনা অচাবা মরমশিংদু চনশিল্লগা (ৱায়েন্নবা) তাবদু অতোপ্পা তারিখ অমদা য়ৈথোকখ্রবা নত্রবদি অঙম্বদুনা ৱাকৎ অদু কাঙলুপ নামতমক তাবগী থবক চথদুনা ৱাকৎ অদুগী ৱারেপ পীবা য়াই।

(৭) ৱাকৎপা মীদুনা লেপ্পবা তারিখতুদা নত্রগা ৱা তানবগী মতুং তাবা ওইনা য়ৈথোকখিবগী করিগুম্বা নুমিৎ অমদা কারকপা শোয়রবদি অঙম্বদুনা ৱাকৎ অদু মখা তানা খন্নদবা য়াই।

(৮) সব-রুল (৫) নত্রগা (৬) কী মখাদা তাখ্রবা য়াথং অমা য়াথং অদু তাবগী নুমিৎ ৩০ নীগী মনুংদা মতীকচাবা মরম উত্তুনা ককথৎপা অদুগা অমুক হন্না তানবা লেপ্পা তারিখ অদু খঙহন্নবা মায়োক্তা লৈবা কাঙবুদুদা নোটিশ থাদুনা ৱাকৎ অদু অমুক হন্না তাবা য়াই।

(৯) লেবর কোর্টনবু ওইরবসু নত্রগা মসি তৌবা য়াই হায়দুনা শিন্নরবা ওফিসার অদুনা মাগী মমাঙদা খুদম প্রমান পীদুনা শন্না হায়খ্রবশিং অদু ইশিন্দুনা থমগনী; কাঙলুপশিংদুগী ৱারোলশিংদু শন্নপ্না তাগনী অদুগা মানা তঙাইফদবনী খনবমখৈ থিজিনহুমজিন তৌরবা মতুংদা মদুগী মরম পীদুনা য়াথং অমা পীগনী। অসুন্না তাগ্রবা য়াথংদু কাঙলুপশিং অদুদা খুদক্তা খঙহনগনী।

৮। **ইন্সপেক্টিং ওফিসারশিংগী শক্তিশিং ঃ** এক্টকী অমদি রুলশিং অসিগী ৱারোলশিং অসি চৎনহন্নবগীদমক সেক্সন ২১ গী সব-সেক্সন (১) গী নত্রগা (২) গী মখাদা হাপ্লবা ইন্সপেক্টিং ওফিসার অমনা মখাগীশিং অসিদগী পুন্নমক নত্রগা করিগুম্বা অমা তৌবগী শক্তিশিং লৈগনী; হায়বদি --

(এ) এক্ট অমদি রুলশিং অমদি এক্টকী মখাদা গবর্নমেন্টনা থোকখিবা করিগুম্বা য়াথং অমা নীংথিনা ঙাক্না চৎলি হায়বা অসিদা থাজবা ঙন্নবা তঙাইফদবনী হায়না খনবা মফমসিং (ইংখোলগুম্বা), রেজিষ্টারশিং, নীংশিংনবা ইশিন্দুনা থম্বা চে-চাংশিং অমদি নোটিশশিং য়েংশিনবা অমদি চাংয়েং তৌবা;

(বি) ৱাকৎ অমগী ৱায়েনগী থবক তৌবদা অমদি ঙাকথোকপদা নত্রগা এক্টকী মখাদা চথবা থবক্তা নত্রগা ইন্সপেক্টিং ওফিসার অমা ওইনা মাগী মথৌশিং পাঙথোকপদা কেশ তৌবা অমদি মতেং পাংবা;

(সি) অদুগুম্বা য়েংশিনবদুদা --

(i) এক্ট অমদি রুলশিং অসিগী মখাদা থম্ফম থোকপা নত্রগা উৎফম থোকপা রেজিষ্টার, নীংশিংনবা ইশিন্দুনা থম্বশিং নীংথিজনা থম্লে অমদি উৎলে;

(ii) এক্টকী মখাদা পীফম থোকপা পোথানবা অহাঙবা মতমশিং অমদি ছুটিশিং পীরে অদুগা এক্ট অসিগী মখাদা পীরিবা থবক শুনবা পুঙশিং অমদি মতম শাংদোক্না থবক শুবগী মতমগী পংখৈদগী হেন্দোক্কে;

(iii) থবক মতম হেন্না শুবগীদমক শেল পীনবগী এক্টকী ৱারোলশিং মপুঙফানা ঙাক্না চৎলী;

(iv) এক্ট চলাইরিবা লোয়শঙ অমত্তদা চহী তরানিথোইগী (তরামরীগী) মখাগী অঙাং অমত্তা থবক শুহন্দে;

(v) থোঙ হাংবগী মতাংদা এক্টকী ৱারোলশিং অমদি গবর্নমেন্টনা থোকপা য়াথংশিং মপূঙফানা ঙাক্না চৎলি;

(vi) মমাঙগী য়েংশিন খোৎচিনবদা পুথোকখিবা অশোয়ৱশিং অদু কয়া য়াম্না লৌথোকখ্রবগে অমদি মমাঙদা থোকখিবা য়াথংশিংদু কয়া য়াম্না ইনখ্রবগে; হায়বগী মতাংদা মহাক মশানা পেন্নবা; অমদি

(দি) মহাক্না থেংনবা অদুগুম্বা অশোয়বশিং নত্রগা রুল কায়বশিং পূন্নমক পুথোকপা অদুগা মখোয়দু চুমথোক্নবা পাম্বে, নত্রগা লৌথোক্নবা য়াথং পীবা অদুগা শীনবু অদুদা অশোয়বশিং নত্রগা রুল কায়বশিং অমদি মাগী য়াথংগী অশম্বা ৱারোলদু খুৎশিন্নবা।

৯। য়েংশিন খোৎচিনবগী নীংশিংনবা ইশিনবা চে-চাং ঃ

ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা লোয়শঙ খুদিঙগী ওইনা মাগী য়েংশিন খোৎচিনবগী নীংশিংনবা ইশিনবা চে-চাংশিংগী তোঙানবা ফাইল অমম থমগনী।

১০। ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা থোকপা য়াথং থাবা ঃ

ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা এক্টকী অমদি রুলশিংগী মখাদা থোকপা য়াথং খুদিঙমক লোয়শঙ অমগী শীনবুদুদা --

(এ) মদুগী মান্ননা শিন্দোক্নবা অমা মহাক মশাদা নত্রগা মাগী ওফিস্তা খুৎশিন্নদুনা, নত্রগা

(বি) রেজিষ্টার তৌরবা ডাক ওইনা -- থাগনী।

১১। য়েংশিনখোৎচিনবগী লাইরিক ঃ

লোয়শঙদুদা য়েংশিন খোৎচিনবদা থেংনবা করিগুম্বা অশোয়বা অমগী মতাংদা মাগী ৱারোলশিং নিংশিংনবা ইন্সপেক্টিং ওফিসারদুনা ইশিন্দুনা থম্বা য়ানবা শীনবু খুদিঙনা ইন্সপেক্টিং ওফিসারগী লাকপগী অমদি য়েংশিন খোৎচিনবগী লাইরিক অমা থমগনী অদুগা ইন্সপেক্টিং ওফিসারনা দরকার ওইবা খুদিঙদা মদু পুথোক্কনী।

১২। য়েংশিন খোৎচিনবগী পুঙশিং ঃ

ইন্সপেক্টিং ওফিসার অমনা মহৌশা মহৌশাগী ওইনা লোয়শঙ অমদা চৎপা অমদি য়েংশিন খোৎচিনবসি মহৌশাগী ওইনা থবক শুবগী পুঙশিংগী মনুংদা তৌগনী, অদুবু শীনবু অদুনা এক্ট অমদি রুলশিং অসিগী ৱারোলশিং ইন্দ্রে হায়দুনা নাতৈচোবা

মওঙদা চিংনবা লৈরবদি অদুগুম্বা পুঙশিং অদুগী ৱাংমদা মতম অমদা লোয়শঙ অমদা হেক্তা চৎপা য়াই।

১৩। থবক্তগী লৌথোকখ্রবা শিন্মী অমবু অমুক থবক তৌহনবা ঃ (১) এক্টকী সেক্সন ২৯ গী মখাদা লৌথোকখ্রবা শিন্মী নত্রগা শিন্মীশিংবু অমুক হন্না থবক তৌহন্নবা ৱা হৌদোক্লিবা শীনবু অমনা অহাঙবা ফমশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলশিংদু মাগী দুকান নত্রগা লোয়শঙ অদুগী য়ুম ইংখোলদুগী মনুংদা লায়না উগদবা মফম অমদা নোটিশ বোর্দ অমদা উৎননবা শীনগনী অদুগা মখোয়দুগীদমক (ফমশিংদুগীদমক) খন্নবদা য়াগদবা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা খুদিঙমক্তা মা মানা থবক তোকপা মতমদা নত্রগা তোকখ্রবা মতুংদা মতম অমদা পীরম্বা মা মাগী লৈফম অদুদা অহাঙবা ফমশিং অদু রেজিষ্টার তৌরবা ডাক্তা থাদুনসু খঙহনগনী।

অদুমকপু করিগুম্বা অদুগুম্বা অহাঙবা ফমশিংগী মশীংদুনা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা শিন্মীশিংগী মশীংদগী হন্থরবদি রুল ১৪ গী মখাদা থম্বা মিং পরেং অদুগী মনুংদগী অদুগুম্বা অহাঙবসিং অদুগী মশীংগী শরুক অনী ওইনা খ্বায়দগী মথকথোংবা লৌথোকখ্রবা শিন্মীশিং অদুদা শীনবু অদুনা মশা মশাদা পাউ পীরবদি মদুনা অদুম ওক্লগনী।

মখাতানা অমুক করিগুম্বা অহাঙবশিং অদু থা অমদগী হন্থবা মতমগী ওইরবদি শীনবু অদুনা অদুগুম্বা অহাঙবা অদু থবক্তগী লৌথোকখ্রবা শিন্মীশিংদা মশা মশাদা খঙহনবগী তৌফম থোকপা লৈরোই।

(২) সব-রুল (১) গী ৱারোলশিং অসিগী মতুং ইন্না হেক তৌখ্রবা মতুংদা, শীনবু অদুনা মেনশিনগদবা অহাঙবগী মশীং অমদি সব-রুল (১) গী মখাদা মখোয়দা পাউ পীখ্রবা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা শিন্মী খুদিঙগী মমিংশিংদু খুৎশাহৈবগী থবক্কী ওইবা লোয়শঙগা মরী লৈনবা ট্রেদ ইউনিয়নশিংদসু পাউ পীদুনা খঙহনগনী।

অদুবু রুল ১৪ গী মখাদা শেল্লবা মিং পরেং অদুদা য়াউরিবা শিন্মী মীপুম খুদিঙমক্তা পাউ পীবু পীখ্রবদি রুল অসিগী ৱারোলশিং অসি ইনবগী তঙাইফদবা লৈতে।

১৪। শিন্মীশিংগী মকোক মথংগী পরেং থম্বা ঃ শীনবু অদুনা থবক্তগী লৌথোক্কে হায়না খল্লবা শিন্মীশিংগী অকরুবা কাঙলুপ অদুগী শিন্মী পুন্নমক্কী কাঙলুপ অদুদা থবক্কী মতুং ইন্না মকোক মথং নাইনা শেমদোক্কুনা মিং পরেং অমা শেমগনী অদুগা মদুগী মান্ননা শিন্দোক্লবা অমা তশেংনা থবক লৌথোক্কদবগী তারিখ অদুগী নুমিৎ তরেৎনীগী মমাঙদা দুকান নত্রগা লোয়শঙদুগী য়ুমইংখোল অদুগী মনুংদা লায়না উগদবা মফম অমদা নোটিশ বোর্দতা থেৎহনগদবনী।

১৫। চহীগী রিত্রোল ঃ সেক্সন ৩০ গী মখাদা পীগদবা চহীগী রিত্রোলদু ৩ শুবা ফোর্মদা পীগনী।

১৬। দুকানশিংনা চয়োলগী ওইনা থোঙ লোনবগী নোটিশ ঃ সেক্সন ১০ গী সব-সেক্সন (৩) গী মখাদা চেচাংশিং অমদি উৎকদবা (থেৎকদবা) নোটিশ অদু ৪ শুবা ফোর্মদা থেৎকনী।

১৭। এক্টকী সেক্সন ৩১ গী মখাদা থমগদবা রেজিষ্টারশিং অমদি নীংশিংনবা ইশিন্দুনা থমগদবা চে-চাংশিং অমদি উৎকদবা (থেৎকদবা) নোটিশ ঃ -

(১) শীনবু খুদিঙনা মাগী লোয়শঙদুদা চয়োলদা শিন্মীশিংদা নোংমগী ছুটি অমমম পীগদবা নুমিৎ নত্রগা নুমিৎশিং তাক্তুনা ৫ শুবা ফোর্মদা নোটিশ অমা উৎকনী;

(২) শীনবু নত্রগা দুকান্দার খুদিঙনা ৬ শুবা ফোর্মদা খুৎশুমল পীবা ছুটিগী রেজিষ্টার অমা থমগনী অদুগা মদুদা ইকোন কোন্না ইশিনখিবদগীনা চহী অহুমগী মতমগী তাংকক অমদি অতেক অকায় থোকহন্দনা থমগনী;

(৩) দুকান্দার নত্রগা শীনবু খুদিঙনা শিন্মী খুদিঙগী কারকপা, মতম হেন্না থবক শুবা অমদি খুৎশুমলগী হীসাব উৎপা রেজিষ্টার অমা ৭ শুবা ফোর্মদা থমগনী;

(৪) শীনবু নত্রগা দুকান্দার খুদিঙনা নুংতিগী থবক শুগদবগী পুঙশিঙ অমদি পোথানবা পীবা অহাঙবা অমদি শিন্মীশিং চাক চানবা পীবা মতমগী নোটিশ অমা ৮ শুবা ফোর্মদা মা মাগী লোয়শঙ নত্রগা দুকান্দা উৎকনী;

(৫) শীনবু নত্রগা দুকান্দার খুদিঙনা এক্টকী নত্রগা রুলশিং অসিগী মচি ওইবা শরুকশিং য়াউবা নোটিশ অমা ইংলিশতা নত্রগা মানা থবক শুহল্লিবা মীশকশিং অদুগী অয়াম্বনা খঙবা লোন্দা শিন্দোক্তুনা উৎকনী;

(৬) শীনবু নত্রগা দুকান্দার খুদিঙনা মাগী শিন্মীশিংদুদা চলাইগদবা ছুটিগী পথাপশিংদুগী মান্ননা শিন্দোক্লবা অমা ইংলিশতা নত্রগা মানা থবক শুহল্লিবা মীশকশিং অদুগী অয়াম্বনা খঙবা লোন্দা মাগী লোয়শঙদুদা নত্রগা দুকান্দুদা উৎকনী;

(৭) জনুৱারিগী তারিখ ১ দগী হৌরগা দিসেম্বরগী তারিখ ৩১ দা লোইবা চহী অমগী রেজিষ্টারশিং, নীংশিংনবা ইশিনবা চে-চাংশিং অমদি নোটিশশিং অদু মথংগী চহীগী অরোইবা ফাউবা তেক্ত কায়দনা থমগদবনী;

[(৮) দি মিনিমম ৱেজেজ এক্ট, ১৯৪৮ (১৯৪৮ গী ১১) গা মদুগী মখাদা শেম্বা রুলশিংগা নত্রগা পেমেন্ট ওফ ৱেজেজ এক্ট, ১৯৩৬ (১৯৩৬ কী ৪) গা মদুগী মখাদা শেম্বা রুলশিংগা নত্রগা লেবর লোজ (এক্সেম্পসন ফ্রোম ফর্নিশিং রিটর্নস এন্দ মেন্টেনিং রেজিষ্টারস বাই সার্টেন এষ্টাব্লিশমেন্টস) এক্ট, ১৯৮৮ (১৯৮৮ কী ৫১) চলাইবা দুকানশিংগা লোয়শঙশিংগগীদি এক্টশিং অমদি রুলশিং অসিগী মখাদা থম্ফম থোকপা

মখাগী রেজিষ্টারশিং অসি সব-রুল (২) অমদি (৩) অমদি রুল ৩ গা ৫ গগী মখাদা থম্ফম্ম থোকই হায়না লৌগনী, হায়বদি;

১। মাষ্টার রোল,

২। খুৎশুমলগী রেজিষ্টার,

৩। অককপশিংগী রেজিষ্টার,

৪। মতম হেন্না থবক শুবশিংগী রেজিষ্টার,

৫। ব্রাকোং শেলশিংগী রেজিষ্টার,

৬। মাঙজৌননা শেল পীখিবশিংগী রেজিষ্টার,

৭। মাষ্টার রোলদা খুৎশুমলগী থা থাগী অপুনবা রেজিষ্টার।][১]

১৮। তরু তনানবা ঃ দুকান নত্রগা লোয়শঙ খুদিঙগী য়ুম ইংখোল অদু ঈরমদগী নত্রগা মনুং চঙফম্নচিংবদগী অপৎ অপুমশিংদগী থোরকপা নমথিবা মনিলশিং নত্রগা নুংঙাইতবা হৈনদবা অকায়বা থোকপা লৈহল্লোইদবনী অদুগা শুনু হাইবা, মচু হাপ্তুনা হাইবা, রং তৌবা, বর্নিশ থাবা মহীক মতাং চেলহনদনবা অমদি মনম হাৎনবগুম্বগী পাম্বৈশিংনা শেংদোক্কনী।

১৯। নুংশিৎ নুংশা চঙহনবা ঃ (১) য়ুম ইংখোলশিং নত্রগা লোয়শঙ খুদিংমক নীংথিনা নুংশিৎ নুংশা চঙহনগনী অদুগা থবক শুনবা পুঙশিং মনুংদা মতীকচানা মৈ থানগনী।

(২) ইন্সপেক্টিং ওফিসার অমনা মাগী শক্তি লৈবা লমগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা দুকান নত্রগা লোয়শঙ অমগী য়ুম ইংখোলদা মতীকচানা মৈ থান্দবা নত্রগা নুংশিৎ নুংশা চঙদবা ওইনা উরবদি, মাগী মপুক্লিঙদা শীজিন্নগদবনী হায়না খনবা অশোয়বশিংদু চুমথোক্লবা পাম্বে পীদুনা অকল্লবা তারিখ অমগী মমাঙদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা শীনবুদা য়াথং অমা ইদুনা পীবা য়াই।

২০। এপিল ঃ ইন্সপেক্টিং ওফিসারগী করিগুম্বা য়াথং অমগী মায়োক্তা লেবর কমিশনারদা এপিল তৌবা য়াই অদুগা মাগী ব্রায়েল অদুনা অরোইবা ওইগনী।

২১। ককপা অমদি খাকহৌবাঃ দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস রুলস, ১৯৭১ অসি মসিনা কক্লে ঃ

অদুবু অসুম্না ককখ্রবা রুলশিং অদুগী মখাদা থোকখিবা করিগুম্বা য়াথং নত্রগা লৌখৎখিবা থবকশিং অদুদি রুলশিং অসিগী চান চানবা ব্রারোলশিংগী মখাদা থোকখিবা নত্রগা লৌখৎখিবনী হায়না লৌগনী।

(১) দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ১৯৯৬ না হাপচিল্লকপনী।

(১বা সিদুল)[1]
(রুল ২-এ (1) য়েংশি)

রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেট, রেজিষ্ট্রেসন নৌথোকহনবগী, রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেটকী অনীশুবা কোপি পীবগী ফীশিং ঃ

সেরিএল নং	দুকান নত্রগা লোয়শঙগী কাঙলুপ	নৌথোকপগী অমদি রেজিষ্টার তৌবগী ফী	অনীশুবা কোপীগী ফী
১	২	৩	৪
	এ-দুকানশিং	লুঃ পৈশা	লুঃ পৈশা
১।	শিন্মী লৈতবা দুকানশিং	৫০ ০০	২৫ ০০
২।	শিন্মী ১ দগী ৩ ফাউবা লৈবা দুকানশিং	১০০.০০	৫০.০০
৩।	শিন্মী ৪ দগী ১০ ফাউবা লৈবা দুকানশিং	২০০ ০০	১০০.০০
৪।	শিন্মী ১১ দগী ২০ ফাউবা লৈবা দুকানশিং	৩০০ ০০	১৫০ ০০
৫।	শিন্মী ২১ নত্রগা হেন্না লৈবা দুকানশিং	৩৫০.০০	১৭৫.০০
	বি- ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং		
১।	শিন্মী লৈতবা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	৭৫.০০	৩৭.০০
২।	শিন্মী ১ দগী ৩ ফাউবা লৈবা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	১৫০.০০	৭৫.০০
৩।	শিন্মী ৪ দগী ১০ ফাউবা লৈবা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	৩০০.০০	১৫০ ০০
৪।	শিন্মী ১১ দগী ২০ ফাউবা লৈবা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	৪৫০ ০০	২২৫.০০
৫।	শিন্মী ২১ নত্রগা মদুদগী হেন্না লৈবা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	৫০০ ০০	২৫০ ০০
	সি- মীয়ামগী হরাউ তয়ান্বা অমদি পীজপীথক তৌবা লোয়শঙশিং		
১।	শিন্মী লৈতবা লোয়শঙশিং	৭৫ ০০	৩৭ ০০
২।	শিন্মী ১ দগী ৩ ফাউবা লৈবা লোয়শঙশিং	১৫০ ০০	৭৫ ০০
৩।	শিন্মী ৪ দগী ১০ ফাউবা লৈবা লোয়শঙশিং	৩০০.০০	১৫০.০০
৪।	শিন্মী ১১ দগী ২০ ফাউবা লৈবা লোয়শঙশিং	৪৫০.০০	২২৫.০০
৫।	শিন্মী ২১ নত্রগা মদুদগী হেন্না লৈবা লোয়শঙশিং	৫০০.০০	২৫০.০০

১। দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস (এমেন্দমেন্ট) রুলস, ১৯৯৬ না হাপচিল্লকপনী।

(২বা সিদুল)[১]

(রুল ২-সি য়েংশি)

রেজিষ্টার তৌখ্রবা দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগী অকুপ্পা মরোলশিংদা অহোংবা লাকপশিং রেজিষ্টার তৌবগী ফীশিং ঃ

সেরিএল নং	দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগী মখল	ফীশিং
১	২	৩
		লুপা· পৈশা
১।	ললোন ইতীক্কী লোয়শঙশিং	১৫ ০০
২।	দুকানশিং	১৫ ০০
৩।	মীযাম্বু হরাউ তযামহন্নবা নত্রগা পীজপীথক তৌবা লোয়শঙশিং	১৫ ০০

১বা ফোর্ম

(রুল ৩)

খুৎশুমলগী রেজিষ্টার

দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....

লৈফম . ...

চয়োল/থা লোইবা ....

থবক তৌরিবা মীশিংগী মমিং	খুৎশুমলগী চাং (নোংমা, চয়োল নত্রগা থাদা)	খুৎশুমল ওইনা পীবা অপুনবা শেনফম	শেল ফংবগী রসিদ	হায়নীংবা হায়ফম
১	২	৩	৪	৫

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

২বা ফোর্ম
(রুল ৫)

ৱাকোংশেলগা অককপশিংগগী রেজিস্টার

দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....
লৈফম ....
চয়োল/থা লোইবা ....

মখোয়দগী ৱাকোংশেল লৌখ্রবা নত্রগা (শেল) ককপিখ্রবা শিন্নীশিংগী মমিং	লৌখ্রবা ৱাকোংশেলগী শেনফম	ককখ্রবশিংগী শেনফম	মরমশিং
১	২	৩	৪

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

৩বা ফোর্ম
(রুল ১৫)

চহীগী ৱারোল

দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....
লৈফম ....
চয়োল/থা লোইবা ....

শিন্নীশিংগী মশীং	খুৎশুমলগী চাং		অতোপ্পা খুদোংচাব-শিং	কনাগী মতেং য়াউদনা মপুনা তৌবরা নত্রগা নত্তব্রা
	শিন্নীশিংগী কাণ্ডলুপশিং	খুৎশুমলগী চাং		
১	২	৩	৪	৫

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

৪ শুবা ফোর্ম

(রুল ১৬)

দুকানশিংদা চয়োলগী ওইনা থোঙ লোনবগী নোটিশ

মখাতাবা নোটিশ অমা থোক্লিবমখৈ, চয়োল খুদিঙদা .... দা দুকান অসি মপুঙফানা লোন্দুনা লৈগনী।

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

৫ শুবা ফোর্ম

[রুল ১৭(১)]

লোয়শঙশিংদা চয়োলগী ওইবা ছুটিশিংগী নোটিশ

মখা তাবা নোটিশ থোক্লিবমখৈ, মখোয় মখোয়গী মমিংশিংগী মায়োক্তা পীরবা নুমিৎশিংদা শিন্মীশিংনা চয়োলদা নোংমগী ছুটি ফংবা য়াগনী।

সেরিএল নং	থবক শুহল্লিবা মীশিংগী মমিং	মপুঙ ফাবা ছুটি পীবা য়াবা নুমিৎ/তারিখ
১	২	৩

শীনবুগী সহী

৬ শুবা ফোর্ম
[রুল ১৭ (২)]
খুৎশুমলগা লোয়নবা ছুটিগী রেজিষ্টার

দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....

লৈফম .... চহী ....

থবক তৌরিবা মীশকশিংগী মমিং			মফম মরাং খঙদনা থোকপা থৌদোক্কী ছুটি		নাবগী ছুটি		হায়নীংবা হায়ফম
	দগী	ফাউবা	দগী	ফাউবা	দগী	ফাউবা	
১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

৭ শুবা ফোর্ম
[রুল ১৭ (৩)]
কাবগী, মতম হেন্না থবক শুবগী অমদি খুৎশুমলগী হিসাবকী রেজিষ্টার

দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....

ইং .... গী .... থাগী ....

শিন্নীশিংগী মিং	য়ৌরকপা অমদি চৎখিবা	থাদুদা লৈবা নুমিৎশিং	থাদুগী মনুংদা থবক শুনবা পুঙ মশীং	থাদুগী মনুংদা তশেংনা থবক শুখিবা পুঙশিং	থাদুগী মতম হেন্না থবক শুখিবা	থাদুগী ওইনা খুৎ শুমলগী হীসাব
		১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭ ...৩১				
	য়ৌরকপা / চৎখিবা					
	য়ৌরকপা / চৎখিবা					
	য়ৌরকপা / চৎখিবা					

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

৮বা ফোর্ম

(রুল ১৭ (৪) য়েংশি)

নুংতিগী থবক শুবগী পুঙশিঙ অমদি পোত্থানবা মতমগী নোটিশ

মখাতাবা য়াথং অমা থোক্ত্রিবমখৈ দুকান/লোয়শঙ অসিগী ওইনা থবক শুবগী, পোত্থানবা অমদি চাকচা খোৎচাবগী অহাঙবা মতম অসি মখাদা পীরিবা পুঙশিঙসি ওইগনি --

থবক শুনবা পুঙশিঙ		পোত্থানবা অমদি চাক চা-খোৎনবগী অহাঙবা মতম		হায়নীংবা হায়ফম
দগী	ফাউবা	দগী	ফাউবা	
১	২	৩	৪	৫

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

[৯ শুবা ফোর্ম][১]

১ শরুক

রেজিষ্টার তৌনবা দরখাস্ত

স্তাম্প নপ্পবা অহাঙবা মফম

[রুল ২-এগী সব-রুল (১) য়েংশি)

মফমদা

রেজিষ্টারিং ওফিসার,

দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিং

ইবুঙো,

মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস এক্ট, ১৯৭২ মখাদা ঐগী দুকান/লোয়শঙ অসি রেজিষ্টার তৌবিয়ু হায়দুনা দরখাস্ত থাজরি। মখাদা পীজরিবা ৱারোলসিদা দুকান/লোয়শঙগী মরমদা অকুপ্পা মরোলসিং পীজরি ঃ --

২। রেজিষ্টার তৌবগীদমক দরকার লৈবা লুপা .... রেভিনিউ স্তাম্প দরখাস্ত অসিদা নপচরি।

ৱারোল

১। লৈরগদি, দুকান/লোয়শঙগী মমিং ....

২। চে চাং থাদোক থাজিনগী ওইবা লৈফম অমদি দুকান/লোয়শঙ অদুনা তশেংনা লৈবা চপ চাবা মফম ....

৩। লৈরবদি, দাকান/লোয়শঙ অদুগী লৈফমদগী তোঙানবা ইংখোলদা লৈবা অদুবু দুকান্দুগদি পুনবা ওফিস, পোৎ পৈশিন্দুনা থম্নবা কা, পুক্কৈ, য়োন্নবা পোৎ চৈ থম্নবা শঙ নত্রগা থবক শুফমগী চপচাবা লৈফম ....

৪। দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....

৫। দুকান্দার/শীনবুগী য়ুমগী লৈফম ....

৬। লৈরবদি, মেনেজরগী মমিং অমদি মাগী য়ুমগী লৈফম ....

৭। থবক তৌমিন্নরিবশিংগী মমিংশিং অমদি মখোয়গী য়ুমগী লৈফমশিং (ময়াম পুন্দুনা তৌমিন্নবা কারবার ওইরবদি) ....

৮। দাইরেক্টরশিংগী মমিংশিং অমদি মখোয়গী য়ুমগী লৈফম (ঙমখৈ নাইবা মরুপ অচৌবা (কম্পেনী) ওইরবদি) ....

৯। লোয়শঙগী মখল, হায়বদি, দুকানলা, ললোনইতীক্কী লোয়শঙলা, লৈনবা হোটেল্লা, চাক্কী হোটেল্লা, চাফম শঙলা, ঠিয়েটররা, সিনেমারা নত্রগা অতৈ হরাউতয়াম ফংহনবা নত্রগা চাফম থকফমলা ....

১০। কারবারগী মখল (মওঙ) ....

১১। কারবার হৌখিবগী তারিখ ....

১২। মখোয়দুগী শেৎপা চাবা পূম্বদা মহাক্কী মখা পোন্না লৈবা দুকান/লোয়শঙদুগী মপুদুগা লৈমিন্নবা দুকান/লোয়শঙদুদা থবক তৌবা মপুদুগী ইমুংগী মীওই-শিংগী মমিং ....

মরী ওইবগী মতৌ　　চহী মপুঙফারবা　　নহা ওইরিবা মীশকশিং

নুপাশিং

নুপীশিং

অপুনবা ঃ

১৩। থবক তৌবা অতোপ্পা মীশকশিংগী মমিংশিং ঃ

(i) অশীন অরাঙগী নত্রগা অরোনবনচিংবগী থবক তৌবগী শক্তি লৈবা মীওইশিংগী ওইবা থবক তৌবা;

(ii) লম কোয়বা, পোৎ লৈনবা য়াথংনিবা মী, পাউখোল্লোই, পোৎশঙবা মী নত্রগা শেন্ননবা লৈবা মী; অমদি

(iii) মাশুন লৌবগী থবক, চাংয়েং, খোম্বা, থাবা, শিন্নবগী থবক খক্তগা মরী লৈনবা নত্রগা রেলনা, লম্বীনা নত্রগা নোংথক্তা নত্রগা জহাজগী পোৎচৈ থাঙদোক থাঙজিন তৌফমগী, জহাজগী পোৎ হাপ্তোক হাপচিন তৌবগী নত্রগা এয়রপোর্টশিংগী টিকেট ককফম ফাউবা নত্রগা টিকেট ককফমদগী পোৎ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী থবক্তগা মরী লৈনবা (নহা ওইরিবা মীশকশিংগীনা নুপানী নুপীনী অমদি চহী অসুক্কীনী হায়বা তাক্কদবনী)

১৪। শিন্মীশিংগী অপূনবা মশীং ঃ

মীওই শুরবা	নহা ওইরিবা মীশকশিং	অপুনবা
নুপা	....	....
নুপী	....	....
অপূনবা		

১৫। চয়োলগী থিংগদবা নুমিৎ লাউথোকপা (দুকান অমগী নত্রগা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙগীদমক)

ঐনা মথক্তা পীখিবা পাউসি ঐনা হেক খঙজবা অমদি থাজবদা চুম্মী হায়না লাউথোকচরি। হায়জরি।

অদোমগী থাজবা য়ানা,

তাং .... দুকান্দার/শীনবুগী সহী

তেন্না শেংদোকপা ৱারোল ঃ

১। ৩শুবা ৱারম অসি ওফিস, পোৎ থন্নবা কানচিংবা অদু এক্টকী মখাদা তোঙান্না রেজিষ্টার তৌদবা মফমদা মেনশিনগনী। অসিগুম্বা পোৎ থন্নবা কাশিং অদু তোঙান্না রেজিষ্টার তৌদ্রবদি, ৱারম ১২ গা ১৩ গা, ১৪ গগী রেজিষ্টার তৌরিবা অকুপ্পা ৱারোলশিংদু ওফিস, পোৎ থম্মম কানচিংবা খুদিঙগী ওইনা তোঙান্না পীগদবনী।

২। করিগুম্বা ৱারম অমা শীজিন্নবা য়াদ্রবদি "শীজিন্নবা য়াদে" হায়না ইগনী।

২ শুবা শরুক

দি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্ট এক্ট, ১৯৭২ মখাদা ওইবা রেজিষ্টারিং ওফিসারগী ওফিসনা মেনশিনগদবা

রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেট

.... অসি মনিপুর শোপস এন্দ এষ্টাব্লিশমেন্টস এক্ট, ১৯৭২ গী মখাদা ইং .... গী .... থাগী .... নীশুবা নুমিৎ অসিদা .... ওইনা রেজিষ্টার তৌরে হায়বসি মসিনা চুম্মে হায়রি অদুগা রেজিষ্টেসন নম্বর অদুনা .... নী।

সিল রেজিষ্টারিং ওফিসারগী সহী

ফোর্ম .... দা .... (তাং) দা খঙহল্লকপা অহোংবদু রেজিষ্টার তৌরে।

সিল রেজিষ্টারিং ওফিসারগী সহী

তাং ....

(১) .... ফাউবা নৌথোকহল্লে। রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ....

রেজিষ্টারিং ওফিসারগী সহী

(২) .... ফাউবা নৌথোকহল্লে। রেজিষ্ট্রেসন নম্বর ....

রেজিষ্টারিং ওফিসারগী সহী

নম্বরদুগী অহানবা শরুক্তা দুকান/লোয়শঙদুনা লৈরিবা মফমদুগী মমিং ওইগনী অদুগা অনীশুবা শরুক্তা মরীলৈনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিংগী রেজিষ্টারগী মথং মনাউ নাইবা মশীং অদু ওইগনী।

১০ শুবা ফোর্ম

(রুল ২-বি য়েংশি)

১। রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটকী নম্বর অমদি রেজিষ্টার তৌবগী তারিখ;

২। লৈরবদি দুকান/লোয়শঙগী মমিং;

৩। শীনবু/দুকান্দারগী মমিং অমদি লৈফম;

৪। লৈরবদি মেনেজরগী মমিং অমদি লৈফম;

৫। পাউ থাদোক থাজিনগী লৈফম অমদি দুকান/লোয়শঙ অদুগী চপ চাবা লৈফম।

৬। কারবারদু হৌখিবগী তারিখ;

৭। চত্থরিবা কারবারগী তারিখ;

৮। দুকান্দুগদি পুনবা অদুগা লৈবদি দুকান্দুদগী তোঙানবা ইংখোলদদি লৈবা (লৈরগদি) ওফিস/পোৎথম্নবা কাগী পুক্কৈ/য়োন্নবা পোৎ থম্নবা শঙ নত্রগা থবক শুফম অদুগী চপচাবা লৈফম;

৯। থবক তৌবা মীশিংগী মশীং ঃ

শীনবুগী ইমুংগী মেম্বরশিংগী মশীং			শীনবুগী ইমুংগী নত্তবা অতোপ্পা মীশকশিংগী মশীং			থবক তৌবা মীশকশিংগী অপূনবা মশীং			
নুপা	নুপী	নহা	নুপা	নুপী	নহা	নুপা	নুপী	নহা	অপুনবা
১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

১১ শুবা ফোর্ম

হোংবগী নোর্টিশ

(রুল ২-বি য়েংশি)

.... গী অহাঙবা মফম

রেজিষ্টার হান্নবা তৌদুনা লৈরবা দুকান/লোয়শঙগী মমিং ঃ

দুকান/লোয়শঙগী মমিং ঃ

লৈফমঃ

তারিখ, ইং .... গী .... গী .... নিশুবা নুমিৎ।

মফমদা,

রেজিষ্টারিং ওফিসার
দুকানশিং অমদি লোয়শঙশিং
(মফমগা লৈফমগা মসিদা পনসি)

ফোর্ম-বি দা অদোমদা থাখ্রবা পাউদুদা মসিনা পীখ্রবা মখাগী অহোংবসিগী নোটিশ পীজরি, মসি খঙজিনবিয়ু। শেমদোক্লবগীদমক রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেৎ হাপচরি।

২। .... কী/গী রেভিনিউ ষ্টাম্প রেজিষ্ট্রেসন ফী ওইনা নপচরি।

অহোংবশিং

....

দুকান্দার/শীনবুগী সহী

তেন্না শেংদোকপা ৰারোলঃ নোটিশ অসি রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটকা ২শুবা সিদুলদা হায়বা অদুগুম্বা ফীদুগা লোয়নগদবনী।

১২ শুবা ফোর্ম

রেজিষ্ট্রেসন নৌথোকহন্নবা দরখাষ্ট

(রুল ২-দি গী সব-রুল (১) য়েংশি)

মফমদা,

রেজিষ্টারিং ওফিসার
(মফমগা লৈফমগা মসিদা পীগনী)

ইবুঙো,

ঐগী মসিদা হাপ্লিবা রেজিষ্ট্রেসন নং .... কী সার্টিফিকেট অসি নৌথোকহন্নবা হায়জদুনা দরখাষ্ট থাজরি। ঐগী দুকান/লোয়শঙগী অকুপ্পা মরোলশিং মখাগী ৱারোল অসিদা থাগৎচরি ঃ

২। নৌথোকহনবগী ফী ওইনা .... কী রেভিনিউ ষ্টাম্প নপচরে।

ৱারোল

১। লৈরবদি দুকানগী/লোয়শঙদুগী মমিং ....

২। পাউ পীথোক পীশিন তৌনবগী লৈফম অমদি দুকান/লোয়শঙগী তশেংনমক লৈবা মফম ....

৩। হান্না রেজিষ্টার তৌবগী সার্টিফিকেট নং .... (দরখাষ্ট অসিদা সার্টিফিকেট অসি হাপ্লি) ....

৪। নৌথোকহনবগী দরকার লৈবা মতম ....

৫। দুকান/লোয়শঙগা পুনবা (লৈরবদি) লৈবদি তোঙানবা ইংখোলদা লৈবা ওফিস, পোৎ থন্নবা কা, পুক্কৈ, য়োন্নবা পোৎ থন্নবা শঙ নত্রগা থবক শুফমগী চপ চাবা লৈফম ....

৬। দুকান্দার/শীনবুগী মমিং ....

৭। দুকান্দার/শীনবুগী ময়ুমগী লৈফম ....

৮। লৈরবদি, মেনেজরগী মমিং অমদি মহাক্কী য়ুমগী লৈফম ....

৯। থবক তৌমিন্নবশিং অমদি মখোয়গী ময়ুমগী লৈফম (ময়াম পুন্দুনা থবক তৌমিন্নবা কারবার ওইরবদি)

১০। দাইরেক্টরশিংগী মমিং অমদি ময়ুমগী লৈফমশিং (ঙমখৈ নাইবা মরুপ অচৌবা (কম্পেনী) ওইরবদি) ....

১১। লোইশঙগী মখল হায়বদি দুকাননলা, ললোন ইতীক্কী লোয়শঙলা, লৈনবা হোটেল্লা; চাক্কী হোটেল্লা, চাফম শঙলা, ঠিয়েটররা, সিনেমারা নত্রগা অতৈ হরাউ তয়াম ফংহনবা নত্রগা চাফম থকফমলা ....

১২। কারবারগী মখল (মওঙ) ....

১৩। কারবার হৌখিবগী তারিখ ....

১৪। মখোয়দুগী শেৎপা চাবা পুম্বদা মহাক্কী মখা পোন্না লৈবা দুকান/লোয়শঙদুগী মপুদুগা লৈম্নিবা দুকান/লোয়শঙদুদা থবক তৌবা মপুদুগী ইমুংগী মীওই-শিংদুগী মরী মতা ওইবগী মওংশিং

মরি মতা ওইবগী মওংশিং	মীওইশুরবা	নহাওইরিবা মীশকশিং
নুপাশিং		....
নুপীশিং		....

১৫। থবক তৌবা অতোপ্পা মীশকশিংগী মমিং ঃ

(i) অশীন অরাঙগী নত্রগা অরোনবনচিংবগী থবক তৌবগী শক্তি লৈবা মীওইশংগী ওইবা থবক তৌবা;

(ii) লমকোয়বা, পোৎ লৈনবা য়াথং নিবা মী, পাউখোল্লাই, পোৎশঙবা মী নত্রগা শেন্ননবা লৈবা মী; অমদি

(iii) মাশুন লৌবগী থবক, চাংয়েং, খোম্বা, থাবা, শিন্নবগী থবক খক্তগা মরী লৈনবা নত্রগা রেললনা, লম্বীনা নত্রগা নোংথক্তা নত্রগা জহাজগী পোৎচৈ থাঙদোক থাঙজিন তৌফমগী, জহাজগী পোৎ হাপ্তোক হাপচিন তৌবগী নত্রগা এয়ারপোর্টশিংগী টিকেৎ ককফম ফাউবা নত্রগা টিকেৎ ককফমদগী পোৎ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী থবক্তগা মরী লৈনবা (নহা ওইরিবা মীশকশিংগীনা নুপানী নুপীনী অমদি চহী অসুক্কীনী তাক্কদবনী)

১৬। শিন্মীশিংগী অপুনবা মশীং ঃ

	মীওইশুরবা	নহাওইরিবা মীশকশিং
নুপা	....	....
নুপী	....	....

অপুনবাঃ

১৭। চয়োলগী থিংগদবা নুমিৎ লাউথোকপা (দুকান অমগী নত্রগা ললোন ইতীক্কী লোয়শঙগীদমক)

ঐনা মথক্তা পীখিবা পাউসি ঐনা হেক খঙজবা অমদি থাজবদা চুস্মী হায়না লাউথোকচরি/হায়জরি।

অদোমগী থাজবা য়ানা,

তাং .... দুকান্দার/শীনবুগী সহী

